জর্জ সাহেব



শশীকুমার



জর্জ সাহেব

(Family & Social Crime Story)

অহানবা কোংবাং: মে, ১৯৯৫

কোইবাং: নোংথোল, ইম্ফালগী মাইকৈদগী মেম্বা মেইবীনা থৌজাল
হৈবা, ক্ষেত্রমাইয়া তৌরগা পুথোকপা

কোপী মশীং: ৫৫০/-

ময়ুম পুথোকপা: থৌজাল হৈবা প্রেস, ৱাকহেল।

মলুম য়েকপা: ৱাংখোল

মংকম: অইবা ইম্ফালগী লাইব্রিক ফংনবা তুকানশিং অমসুং
নোথ-ঈষ্ট অফিস য়ুরমুম।

মমল: লুপা ৭৫/ (লাইব্রেরী এডিসন)

মথং দা পুথোকরবা শশীকুমারগী:
(১) "পোকমিন্নদবা" (২) "থাকচাংগী লোং"

নোহাখোলগী মায়কৈদগী

লুপ অসিনা ১৯৯১, জানুৱারী ১৩ দগী ওসি ফাওবা ইরমদমগী লোয়ন-সিল্লোন চাউথংনবা লেপ্তনা হোৎনজরিবা অমদি তুংদসু হোৎনজদোবদা থনজরিবা পান্দমশিংগী মনুংদা পান্দম অমা ওইরিবা 'লাইরিক পুথোকপা' হায়বা পান্দমসিদা তোঙানবা অইবশিংগী মথল কয়াগী লাইরিক মরি মথং মথং লুপসিনা মীয়ামদা খুদোঙজনবগী তুংসিদা মঙাশুবা দোল ওইনা শশীকুমার য়ুরেম্বমগী 'জর্জ সাহেব' হায়বা লীলাগী লাইরিকসি মীয়ামগী মাংদা পুথোকচরি ।

লৈবাক অমগী লোয়ন-সিল্লোনদা লৈবাক্তগী চংনবী কয়াগী মমি চাখিবদগী লোয়ন-শিল্লোননা লৈবাক্তগী মশক তাকই হায়নরবসু অমদি ওইবগী নত্রগা থুনাইগী অমোৎপা অশোয়বা কয়াবু উননবা মিংশেলনি যতুনা লোয়ন-শিল্লোনগী মথেলশিংবু শিংথানরবসু লোয়ন-সিল্লোলবু য়াকথংচরিবা মীওই থরতু নত্তনা, মীনুংশিগী পুকচেলগা লোয়ননা হিংনবা হাৎনবিদ্রনা ঐখোয়গী ইরমদম, ঐখোয়গী থুনাই অসিদা অইবশিং অমদি মফোংবশিংনা লাইরিক ফোংবগী অরাবতু মায়োক্নতুনা, মতমসিগী, থুনাসিগী মাথোক থোদোক কয়াগী পাউদমবু অইবা ওইনা মীপুম অমা থুদি বু লাইরিক। পান্থে ওইহনা থওহল্লিংবদগী থোনা ফনা ইরিবা মীয়ামগী অইবা শশীকুমার য়ুরেম্বমবু থজিক্তং পুক্লিং থোগৎচবা ওইনা, তেংবাংদবা ওইনা অমদি ইরমদমসিগী থুনাইসিগী অফবা লোয়ন-সিল্লোলগী পথোকশিং, মতিক চারবা অইবা কয়া পুথোকচনিংবদগী লাইরিকসি রৈপাকচা খাই মীয়ামগী মাংদা থমজরি ।

খুরাকপম রাধেশ্যাম
জোইন্ট ইডিটর "ঈচেল"
নোংচুপ হারম খোর্জে লুপ

ওাইরাংবম
ফাল জিরিবাম রোড,

অইবগী মাইকৈদগী

লীলা অসি ১৯৬২ গী অঙনবা শরুক্তা ইজাখিবনিঃ অহুবু ফোংদোক্লবগী খুদোংচাবা কয়া ফংজদবদগী মতম শাংনা খুংই ওইনা লৈরক্করে, অহুবু ওসিদি মীয়াম মাংদা ফোংদোকচনবগীদমক NOHAKHOL অমদি অফোংবীগী মাইকৈদগী খুদোংচাবতু ফংজবদগী ওসিদি মীমাংদা য়োৎনজবা ওমলিবসিমক ঐহাক্না অপাম্বা অনিংববু তেংবাংনীরকলিবা পুম্নমক্কী মকমদা ঐহাক্না পুন্সিগী ওইনা শিংবা ওমলরোইদবা লমন তোনশিনজরে ।

অইবা
শশীকুমার

জর্জ সাহেব

(Family and Social Crime Story)

শকমদা :—

নুপাদা :—

১। বীনোদ জর্জ — চহি ৫০/৫১

২। কুনাব — বীনোদ জর্জগী মনাওনুপা

৩। চাওবা — যুকসিগী মাইবা শাবা অমা

৪। য়াইমা — বীনোদ জর্জগী য়ুমগী মীনাই অমা

৫। কুসা — বীনোদ জর্জগী মরুপ শাবা

৬। রবীন্দ্র — থরোগী মচানুপা

৭। রবিচন্দ্র — থম্বালগী মচানুপা

নুপীদা :—

১। থম্বাল — বীনোদ জর্জগী নুপী অহল

২। থরো — বীনোদ জর্জগী নুপী অতোমবী

৩। রাধা — মতম্মসিগী এম:এ: লৈশাবী অমা

অইবা:

শশীকুমার মুরেম্বম

১।৫।৯৫ ইং

অইবা

শশীকুমার সিংহ (পৃঃ খুঃ ১৯৪৬, খবান থাগী ইরাই হুমিত্রা য়ুরেম্বম অবাং লৈকাইদা পোকই । অপোকপা লৈখিদ্রবা বোকুলসিং মীয়াম্না শকখঙনরবা মৈতৈগী মুরু। শাম্নবদা থোইদোক্লা "বোকুল অহাইবী" হায়না শকখঙনবগী মচা মুপা-যাইমনি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা রারেং শৈরেং ইবদা থোইদোক্লা খরাই যাওবা মীশক ওইরকই । যাম্না পিক্রিঙৈদগী শৈরেং থিবা ফেনসি-দ্রেশ কযাদা শরুক য়ারকই লোইনবা মতুদা তোঙান তোঙানবা মনা কয়াসু ফংলকই, স্কুল কোলেজগী পুস্তিদা রারেং শৈরেং কয়া ইহুনা মেগাজিন্দা হাপলকই । ১৯৬২ দা মশানা ইজবা শুমাংলিলা "য়েক মুংশিনবা" হায়বা-প্লে অমদা মপুং ওইবা শকতম লাংবা, লোয়ননা ১৯৬৩ দা "বসন্ত রানী" হায়বা শুমাং লীলাদা অঙাংগী শক্তম লৌহুনা শুমাং লীলাগী জগৎতা খোংদাবা হৌই মতুগী তম্নীবসু মশানা তম্নীরম্মী । মথংদা ১৯৬৪ দ পৈশাগী চুনিয়া হায়বা ড্রামা অমা মহাক্লা তম্নীহুনা য়ুরেম্বম যুথ থিয়েটরনা মতম শাংনা শাম্নরম্মী । অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লীলা ড্রামাদা খরাই যাওবা মীশক অমা ওইনা লাকই ঙসি ফাওবা অইবগী কোংলবা লাইরিক ফাবেং লৈশ্রে, মেরী, অমুক্তা উনসি (উপান্যাস) "ইম্ফাল সহর" (শৈরেং), চৌংগী ইচল, কৈদোঙৈ লাক্কনি তামোচা, জর্জ সাইহেব, ঙসিংই মনিপুর (ড্রামা) অমুম্না ঙসি ফাওবা মনিপুর সাহিত্যদা অইবগী খুদোল তমশ্রে । লোয়নবা অইবগী লীলা ১৯৬২ দগী ১৯৯৫ ফাওবদা চাওরাক্লা লীলা ২০ গী মথক্ত। খুদোল তমশ্রে, পুম্নমক্কী মথক্লা মৈত্রবাক্তা মশক নাইবা ঈশৈ লীলা অহানবা অমসুং অনিসুবা মনা কয়া ফংগ্রবা লিলাশিংগী মনুংদা শিংথাবা য়াবা স্বর্গগী গুলাপ, অহিংতুগী পাউখুম, চৌংগী ইচল, তমগী ইবুং ওলাংথাগী লৈবাকলৈ, থম্বাইগী তেংপাখোললনচিংবা থোইদোক্লা মনিপুর গী চৌংয়া তময়া য়োনা শন্দোকগ্রবা অইবগী লীলা কয়ানি । শোক ১৯৯১ দগী ঙসি ফাওবা NOHAKHOL গী ভাইস প্রেসিদেণ্টনি লোইননা NOHAKHOL না পুথোকপা চেফোং "ঈচেল"গী ইডিতরসু ওইরি । শোক ১৯৮১ দগী ঙসি ফাওবা ময়াই লম্বী কোলেজগী ভাইস প্রিনসিপাল ওইনা থবক্ তৌরি লোইননা মনিপুরী ডিপা মেন্তকী হেট অমা ওইনা থবক তৌরি ঙসি ফাওবা লীলা পাটি কয়াগা লোয়নবা লীলাগী জগৎতা মখল মথেলগী শকলোল কয়াদা মতম মতমগী ওইবা খুৎইদা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবা অইবনা চহি অমদা লিলা ৩/৪ ইহুনা খুৎই ওইনা লীলা কয়া অমসু লৈরী ।

অহানবা তাঙ্কক

মফম : বীনোদ জর্জগী য়ুম, মাঙোন্দদি।

মতম : য়াচংবা পুং মঙারোম তাবা।

(বীনোদ জর্জ ওফিস কুমলকপগী ফি-রোল লৌথোক-লৌথোক্লা ইংলিসকী খবর অমা টেবলদা থম্লগা য়েংই অতুগা হায়রকই)

বীনোদ : হায তারিব্রা ? থম্বাল, থম্বাল ;

থম্বাল : (ইমুংদগী) ও, তাজরে, তাজরে।

বীনোদ : সিদা ডাইহাক্লা লাও, ঐ বা অমা হাযগে।

থম্বাল : (থোরক্লগা) করি ওইববনো মাইপাবুং ?

বীনোদ : ননাও নুপী থরো লৈমদি কদাইদা চৎথোকখি ? ঙসিদি য়ায়া মুংডাইবা পাও অমা তমগে তৌবনিনে।

থম্বাল : করি মুংডাইবা পাওনো ? থরা খিৎ থুনা তম্বীয়ুবা ?

বীনোদ : ননাও নুপা কুমারবু কদাইদা চংকনি হায়রম্বগে ? মাগী পাওনিনে। য়েংঙোই কুমারদো মখোয়গী বি, এ, পরিক্ষাদা মহাক্লা মকোক ওইরে ; য়েংউসে খবরসিদা মাগী ফোতো য়াওরিবসি।

থম্বাল : (চল্লাওনা) মুংডাইজরেদা ; মহাকপু শশীগা বজারদা চৎমিন্নখিবনি।

বীনোদ : ঐনা ওফিসতগী হুল্লকপদা পাও অসি তারহুনা খবর অসি পুরগা নখোয় খাইবু য়েংহনগে হায়রুনা হোবে হোবে লাক্লিননি।

খম্বাল : নত্রে মাইপাবুং, কুমারসিবু মখাদি তমখহনরোইগ্রা ?

বীনোদ : করিগী তমখহন্দনি। অফাওবা উকিল অমা ওইনবা ঐনা মাবু এল, এল, বি তমহনগে হায়বসি হায়া খনগ্রবনি।

খম্বাল : পুন্নমক ঈশ্বরগী থৌজাল তারে মাইপাবুং। অদুগা মানা বি, এ, দা মকোক ওইরকপসি ঐদি য়ায়া মুংঙাইজেয়েমী মাইপাবুং।

বীনোদ : নংদ নত্তে ঐশু হায়নিংঙাই লৈতনা হুংঙাইরিবনিনে। অদুগা থা অমননে, নংগী মনাও অসি য়ায়া লুনা চান্না তৌগদবনিকো। মানা মুংঙাইত্তনবা থবক নখোয় কনা অমত্তনা মঙোম্দা তৌবা য়াদে। লৈখিত্রবা ইমা অমদি বাজিনা পীশক পীক্লা ঈ মতুমদা মাবু থম্মবনিদো ; ইমাগা বাজিগনা সংসারদগী বিদায় লৌবমদাইগী মতমদা নং ঐগী খুৎ নাম্মা নাম্মা পায়তুনা শিন্নরম্মনি।

খম্বাল : (য়ায়া মুংঙাইত্তনা) মাইপাবুং, পুন্নমক ঈশ্বরদা শিন্নজবা নক্না ঐখোয়নবু করি তৌবা ওমগদগে ? মাগী ফনবা ঈশ্বরদা প্রার্থনা ঐহাক্না তৌজগনি।

বীনোদ : মহুসু চুম্মী, মমা শক্রবী মতৈমা অমগী হৌনশানি। ঐনা হায়নিংবদি, নং-ঐনা অস্তক থানা মমা-মপা শক্নুনা মাবু ওসিগী ফিভমসি য়োনবা হোৎনরক্লে, মমৈদনে মহাক্কী মবুক থারোইহনবা য়াদেকো। অঙাং অনিসু চাওরক শাংলক্রবনিনা ইমুং মন্নুংদা মনা-মনিল নাইহন্দুনা থৎন-চৈনবা থোকহনবা য়াদে।

খম্বাল : করিগীসু থৎন-চৈনরুগদগে ? অঙাংশিংসু চহি '৭/'৮ শুনরবা মশাগী অফ-কত্ত লৌশিং লৈনরবা ওাক্কনি।

বীনোদ : মহুম্নসু থনবা য়াদবা মত্তাংসু লাক্কনি। ইমা বাজিগী মশক

খঙ্‌হৌরবা কুমাসুবুস্থ হুন্দোকপা য়াদ্রে ; অদুগা ইচাস্থ কায়সনবা য়াদে। হৌখিবা পুন্সিগী অৱাবা থোদোক ময়ামস্থ নিংশিংজুরগা ঐগী খন্নোয়দা নিংঙমদবা কয়া লৈ।

থম্বাল : মাইপাবুং অদুক হায়রস্থ লুনা পংথম খম্বিগনুদা।

বীনোদ : য়াম্না লুনা খনবগী য়াকমস্থ নত্তে, মখোয়না কঞ্জনা লৈমিন্নবস্থ পাম্বদগী হায়বনি। নংনা য়াম্না হৈ-শিংনা চংকদবনি ; ননাও হুপী থরো লৈমগা খক মান্নরুগনু। মহাক্কা মান্নবদি ইমুং মহি লাংগনিকো।

থম্বাল : অদুক কুইনা চহি ১৪-১৫ লৈমিন্নরক্রবদা অমুক খংনরুখি-গদ্রনে ?

বীনোদ : খংপু খংনদ্রবদি কৈদা। নখোয় অনিমক নচা হুপা অমমম লৈনরবা ঙাক্তনি, নংনা কাওরোইদবদি ননাও হুপী থরো-লৈমসি মবুক য়াম্না লুবনি, মসিমা খঙনা হৈ-শিংনা লৈয়ুকো খম্বাললৈমা।

থম্বাল : পুন্নমক ইবুংঙোগী যাথংনি। তৌবদবু মাইপাবুংনা হুপী মবাদি কা হেন্না পোবা তৌবিগনু।

বীনোদ : ধর্ম্মনা মীওইবগী উপায়নি, ধর্ম্ম কায়দ্রগা লোইরে হায়বসি মতম পুম্বদা নিংশিংগদবনি।

থম্বাল : ইবুংঙোগী যাথং পুন্নমক ইনজগে।

বীনোদ : ঙাইখো, ঙসাইমখৈ তাদা য়াইনা অমদি অঙাংশিং উদে, কদাই কদায়দা চংনদ্রে।

থম্বাল : ঙাদা য়াইমদি মিলদা চেং তকপা চংখ্রি ; অঙাংশিংনা প্রাইভেৎ তম্বা চংনখি।

(থম্বাল ইমুংদা চংখি, বীনোদ খবর অমুক য়েংলি, থরো লৈমা য়াম্না কেনা থোরকই)

থরো : মাইপাবুং, নচান্নুপা অতোপস্থ ফি-বোল লৈখিস্থ হায়দুনা নিংঙাই তৌরম্বনি ; ঐনা নং পাম্বুং লাক্লপা লৈখিগে থেম্বদুদা শাওনা থোকপ্রবনি। খরা লৈবিরসি।

বীনোদ : হোয়দ, হোয়দা, পুন্নমক্তো অরাইবনি ; য়েংঙু ননাওস্থপা কুমারনা বি, এ, পরিক্ষাদা মকোক ওইরে, য়েংউন্নসে।

থরো : মাইপাক্নুংগী থাহুবু কনি কাল্লদোইনো ? নচা য়োবিজ্রোন খোয়গীদি করিমত্তা হোৎনবিয়ে ; নোংমত্তু পীক্লিবা নচাশিং অদিগীদি শওইনা য়েংশিনবিজ্রো, রাখল চংবিজ্রো ? ঐদি হায়জরিবসিনি কৈ মচা চাওনবা য়োক্লগা মপু চায় হায়বতু তাহনা তোকচনি।

বীনোদ : হায় অপংবী, ননাওস্থপা কুমারসিনা ফরগা ঐখোয় খায় পুম্বগী ফগদৌরিবনিনে ; নংগী তমখিরবা রাহৈশিংতু য়াম্না থাপ্না হুন্দোকখো, ঐ তানিংদে।

থরো : মচিন-মনাও ওইবগী বি, এ, ফাওবা তমহনবিরেদনা, মসিনা ওক্লবনি, মাগীদমক ফমল্লবনি। হুমিংকীদমক হুইনা রাবী হায়বতু তারক্লি, নৈংদা কুমারবু শেম্বসি তোকহৌরসি।

বীনোদ : (শাওরপা) থরো লৈমা ! নংগী তমখিরবা রাখন্দুনা নং মাংলগদবনি খঙজো। নংগী নতোত্নুনা নচাবুস্থ তমথিহনগনি, মসি শোয়দ্রবনি থাজো।

থরো : (শাওনিংনা) হোয়দ হোয়দা, খজিক্ত মঙাইরে খঙলক্কদবা ; ননাও স্থপা শক ফজবসিগী রাঙাং-শাঙাং কয়াসিদা কয়াম কুইনা লৈমিন্নবা য়াদৌরিবা ? মখোয়গী ফগুনা পুথোক্কুনা ঙাংবা ঐসে মখোয়নদি হু পীজরগা হাংতোক্লিংলনজাংনি।

বীনোদ : (শাওনা) থরোলৈমা নং অঙইবরা ?

থরো : (য়াম্না নৌথনা) ঐনা হায়জবদি ননাও স্থপাসি বি, এ: হায়বতু পাস তৌজরে, মী অমদি ওইজরে হায়জবনি।

বীনোদ : হৌজিক্কী মতমসিদবু বি, এ, না কৈদৌনদৌরিবনো ? বি, এ, পাস তৌববুদি চরনা হেন্না কাম্নরে খম্নবসিদবো। মানা হেক পাগল্লিবমখৈ মখা তংথহনখিগদবনি।

থরো : (য়াম্না খোংনা, মেংনা, হুংশিনদনা) হোৎনবিয়ু, হোৎনবিয়ু ; হুইনাও মচা চাল্লগা লৈতোন লেকই হায়বতুদি কাওবিয়ু।

মথা ও নিংবা, ধর্ম্ম লৈবা অযোধ্যাগী শ্রীরামচন্দ্রগুম্বা মরাম্বা ইবুংঙো; মুমিৎ চুম্বা ইনাওশী ইনাওশী হায়রিবহু মতুংগী কল ফংগদবা কুইররোই।

বীনোদ : নংমা খল্লিবহুগুম্বা মৈশক নত্তে, ঐগী ইনাওসিদি। ঐনা খঙহুনা শেমগদৌরিবনি; ঐগী হোৎনজনল লেম্না থক মাংলোই।

থরো : শেম্বীযু, শেম্বীযু; উকিল ওইহনগেরা বাকিল শেমগেরা? অহুগা ন হয়েং উকিল ওইরমদহুনা বাকিং ওইরক্লবদি মুহুনা তোকচনি, মসিমদি হায়জহৌরিবসিনি।

বীনোদ : ফরে মসিগী বাসি তোক্লসি, মথা তারম্থু। অভাংশিংহুবু অমত্তা উত্রিনে, হল্লক্ত্রিব্রা?

থরো : কদাযদা চৎকনি হাযরনদবা নচাশিংহু ঐথোযদি খঙজ-লাকচদে।

বীনোদ : তাদা যাইমদি হল্লকপ্রাও?

থরো : মপু নিংবা তাদা য়াইমহু ইচে লৈমগী য়াথং চৎখি, হৌজিক ফাওবা হল্লকত্রিমাল্লে।

বীনোদ : থবোলৈমা, ইশৌ হাক্ল লাংগম্থু। ইশৌ লাংনবা হোৎনবগী মহুত্তা নচা রোবিল্লোহুহুম বারক্লবা হোংনৌ। নচাহু মী শ্বায়গী অভাংগা মাম্নদে, ভাইহাক লৈরগা থৎনরেগা চৈনরেগা হায়নগী পাওনা নাকোংসি বাই চিল্লে। থম্না চেকশিম্না শেম্নোকো। (থোকখি)

থরো : (থোকখিবহু য়েংলগা) অভাং হায়বসিদি থরা থৎন, থর চৈনা তৌবা হায়বলিমভাই। মসি ফাওবা ঐতোন্দা ভাংলিনে; কবিমুংগী ঐবু অত্তোম্বা ওইরুবনো?

থম্বাল : (থোরক্লগা) ইনাও, অভাংশিং চৎথোকখিবহু হল্লক্লব্রা?

থরো : (য়াম্না উশিত্তনা) কনানা খঙজেয়েগে? অভাংনা চৎপা হায়বহুদি হল্লক্লিংবা মতমদা হনজরকপা হায়বহুনি।

থম্বাল : (ইংনা) মথোয় পাবুংদি কদোমদা অমুক চৎথোকপ্রে ইনাও?

থরো : ও, গুরুজনদেয়ে : মাখী মতুং কোরকীন ইরবা মীরা ঐবো ?

থম্বাল : করে, ইনাও ; মথা ভারয় ।

থরো : ভাইহাক্তা কাংদে পংহংদ হুংই ; পাখংকয় করিহ মাং-লম্নোইরে ।

থম্বাল : মাংখিনি হায়রবগী নত্তে, বা অমত্তা হংগে তৌবনি ।

থরো : করি বাবু হংদৌরিবা ? মুমিং খুদিংগী হৎনবা বাসে লৈহ্র লৈঙ্গ্রবোইদা !

বীনোদ : (তপ্পা চংলকই) করি অমুক তৌনরবগে, নখোয় নচিন ননাওনা ভাংন-লাওনরিবহ্রবো ?

থম্বাল : করিম্ন থোইদোকপা তৌদেদা । মাইপাবু'দা বাকম অমত্তরু হংজগে — নহালগী কেস অতুবু কমদৌগ্রবগে ? মতুগী কেসকীরা খঙদে মুপা অনি ইবুংঙোবু হংলম্মী ।

থরো : কেস অতুগী মরমদা মবুক নাবা মী ঐখোয় স্নাইসিদা লৈরমাল্লে ।

বীনোদ : নখোয় ঐখোয়না শেল চাগ্রবদি কনা লাক্তলা চারগনি ? মীওইবা হায়বসিদি অরানববু কুইনা থম্বা য়াদবনি । নখোয়নে ঐগী তুংদা শেল চাবা তৌগম্ন ; ঐনা ভসি জর্জগী ফম কারিবসি ঐনা পুক্চেল শেংনা থবক তৌবদগীনি ।

থম্বাল : মাইপাবুংনা য়াদবা থবকপু ঐখোয়না করিগী তৌরুগদগে ? অতুগা মাইপাবুং, নচাম্নপা রবিন্দ্রনা পাও অমম্ন পুরকই ; মখোয়গী ওজা হেড মাষ্টরনা মাইপাবুংবু উমনিংই হায়-রকমাল্লে ।

বীনোদ : উমবস্ত মত্তাইদনা ; করি মরমগীনিবু হায়বগেনে ?

থম্বাল : লাকদৌরিবা মখোয়গী পরিক্ষাসিদা ঐখোয় রবিন্দ্রহু ক্লাস কালহনবগী বারী শায়বগী ওইরমাল্লে ।

বীনোদ : মতুদি য়াম্না করিবা বাকমনি ; মশানবু ফরবদি ক্লাস কানবদা করিহ্ন কায়রে, ওম্না মেট্রিক থাগদৌরিবনি ।

থম্বাল : অক-কত্তহ্ হেড মাষ্টর উমরগা ভাংনখিরো । (চংখি)

থরো : (থরা শাওরগা) শেল অস্তক চিনথ্রবা মতম অসিদা শেল কোকথোং অমা তিংলগা ক্লাস কান্নুনা পরিক্ষা থারগা করি কায়দোইনো ? অতুগী শরুক তপ মখং মথং চৎথদুনা তমজনি ।

বীনোদ : ঝাকমসি নংগী নথৌ মত্তে, ঐগী ইথৌনি থজলত্রা ?

থরো : হয়েং ধার-নংলবা মতমথুদদি ঐগীসু ইথৌ ওইদবা রারক-লোইনে । ঐগীদি হায়জরিবসিনি—কুমারসু শেল চংনা লাইরিক মথা তমথহনবা, রোবিদ্রোসু ক্লাস কান্দুনা পরিক্ষা থারবদি শেল কোবথোং অমা চংগনি । মথোয় অনিগী মসুংদা অমা তোকহনবনা ফরে । কুমারদি বি, এ, সু পাস তৌরবনিনা তোকহনবদা করিসু কায়দে ।

কুমার : (চংলক্লগা) য়াম্বুং ঐথোয়গী বি, এ, পরিক্ষা হায়দোকখ্রে, য়াম্বুংনা থবর অমা পায়খি হায়, অচুম্বরা ?

বীনোদ : অচুম্বনি, ঐনা থবর অমা পুরকপনি ; নংবুদি ফাষ্ট ভাগরে থম্ভে, নংগী কোটো থবরতুদা য়াংবরবনি য়েংউ (থবর শী, কুমারনা লৌই) নংগী মরুপ শাপমগী শশীদি য়াওত্রা য়েংউ ।

কুমার : (হায়কেং থিরগা) য়াম্বুং মাসু সেকেন্দ ডিভিজন্দা য়াওরে ।

বীনোদ : ফরে, য়ামসু নুংঙাইরে । অতু নংবু মথাগী ষ্টডি অসি গৌহাত্তিদা তৌগে হায়ত্রা নত্রগা করম্বা মফমদা তৌগেদি খল্লিবা ?

কুমার : য়াম্বুং; ঐ মথাসি তমথজররোইদা ; লাইব্রিক মথা তমথবগী মহক্রা থবক অমা তৌরগা ইমুংগী মতেং পাংলগে । অচাংশিং শেন্বদা শরুক য়ারগে । ঐগী ষ্টদি মথা চৎথবা তারবসু থম্ব তপা তৌরগে ।

বীনোদ : মতু হুকয়া য়াদে, মহে তম্বদা চহি পনবা হায়বসি অফবা মত্তে ; নংগী চহি মতাংহুম্বা থবক তৌহুনা শেল ফানবা, ইমুং পুবগী রাথল থনগদবা নত্রি । পুম্নমক্ক ঐগী থৌদাংনি । নং উকিল তমদবা য়াদে ।

কুমার : এল. এল. বি. ওয়া তারবস্থু চহি অমা অনি লৈরগা তরক্‌রগেদা য়াম্বুং ?

থরো : হোয়দা ইনাওসিদি ; লাইব্রিকপু হুম্নবা ফাওবা তমলগা করি কাময়দোইনো ? ইমুংগী মতেং পাংনবা থবক তৌবা, নশাগী লেপচনবা হোৎনজবনা য়াম্না ফরবনি ।

বীনোদ : ঐনা লাইব্রিক মখা তমখদবা য়াদে হায়রিবসিনি ; য়েংঙোই কুমার, ইয়াম্বা বা হায়গে নংবু এল. এল বি. ফাওনা ওমহনগে হায়বসি নয়াম্বা ঐগী বাশঙ্কি । (থম্বাল থে রকই)

থরো : (মরৌ লৈনা) মশানস্থু তমজররোই হায়বসিদা থেমহুনা তমহনবিদৌরিবসিবু করিগীনো ? লাইব্রিক তমনিংত্রবা মীবু নমহুনা তমহল্লগা পরিক্ষাদা ফেল ওইরক্‌পনা অরেম্বদা শেল তিংনবনি । ঐখোয়স্থু মাগীদমক হুংশেম শেনদনদি নঙ্গেদনা: হোৎনপা য়াবা হোৎনরকইবনি ।

কুমার : য়াম্বুং, ঐ লাইব্রিক তম্বসি মতম থরদি লেপচখিগে ।

থম্বাল : করিগী লেপকদৌরিবনো ? ঐখোয় খ্বায় মযাম লৈরিঙৈদা নংনা মহৈ মপুং ফাদনা তোকপা য়াপোৎ নঙ্গে । ঐগী লৈজবা লিঙ্ক কোল ফাওবা কায়থোক্‌পনা নংগী অরাং-অপা লৈহল্লোই, নং উকিল তমদবা য়াদেকো ।

থরো : মশানা তমনিংত্রে হায়রবা ফাওবদা নবানি চংহুনা মবু লাইব্রিক তমনবা হোৎনরিবসিবু করি কাগদোইনো ? মীশিংসে লাইমস্থু মথৌ লৈত্রেদকো ।

বীনোদ : থরোলৈমা, মসি নংগী নথৌ নত্তে, মনাওবু মী-ওইনবা শেম্বা হায়বসি ময়াম্বা ঐগী ইথৌনিনে । বাফমসিদা নংনা বাগদবগী মহুত্তা নচানুপাহু অফবা মী অমা ওইমনা হোৎনৌ, মসিনা নংগী নথৌ ওইরকো । (কুমারদা) নং লাং-ফাং থন্দুনা, মীগী থৌইনশিন্না মখা তমথররোই হায়না খনবা য়াদেকো ।

কুমার : ইমা ইপা শক্লবা য়াম্বুং কইতেমথোরগী মতেংদগী ঐহাক

ঙসিদি বি. এ. পাস তৌজরে। য়াম্বুং অমদি ইতেমখোয়গী লমন-লুনিলগী শিংবা ওমজরোই।

থীনোজ : নংগী' য়াম্বু মথা তারক্লগদ, ইয়াথা খঙোইফে পুবা চন্থে। নং কনামগী বা তৌকই। ইয়াম্বনা হায়বা ইন্দুনা ঊকিল ওইনরা হোংনৌকো।

থম্বাল : ইতেমগী কুমার, নয়াঙ্কুগী য়াশক ঙাকউনে।

কুমার : ইতেম। ঐগীদি অহুক হাক্লা পংথন থনবিয়মু ; রবিচন্দ্র অমদি রবিন্দ্র অনিবু শেম্বা হোৎনবিরো।

থম্বাল : মখোয়দি অঙাং ওইরি ; তঙাই ফদনা মতম খরদি কোম-থোকপা য়ারি. নংগীদি মচু থোক্কে। নতেমনা হায়বসি য়াক্লনা নয়াম্বগী য়াথং ঙাকউ, নং লাইরিক মথা তমথখো।

থরো : করিগী কোমখোক্লদৌরিবা ? মেট্রিকসু পাস তৌত্রিবা অঙাংশিংসিবু তোকহনগদবগী মচুত্তা কুমার নংনা তোক-দবনি। অচু অদা থঙদে, ঐগা ইচাদি মহৈ তম্বা তোকহনবা সুকথা য়ারোই।

থম্বাল : ইনাও, শীদ নংগী নচা রবিচন্দ্রবু তোকহন্নবদি হায়থিদেনা।

থ'বা : হায়রবসু হাযদ্রবসু মরেক্লা তারবা য়ানি ; নখোয়না শিরিংবদা শিনবিরগে হাযরিব্রাও ?

থম্বাল : বা চাংবদা ঐগী মাগী থায়না ঙাংবদি ফত্তেকো।

থরো : ঐনা হায়রিবসিদি মা গ্রাইগী বাঙাংনি; বি. এ. পাস তৌরবা কুমারনা মথা তমথরগা মেট্রিক পাস তৌত্রিবা অঙাংশিং-সিবুনা মীরাইবসিবু চুমব্রাও ? কুমারবু লেম্মা বি. এ. ফাওনা তমহল্লেদনা, মাগীদমক্তদি ফজরবনি, ওকপা য়ারে। (থরো চংখি, রবিন্দ্রা চংলকই, ওক্লা ময়'মদা য়েংই)

কুমার : য়াম্বুং, ঐ মহৈ তম্বা মথা চংথজররোই, ইতেমখোয়গী লমন শিংবা ওমদতুনা লৈরিঙৈসিদা অমুকসু লমন তোনশিনবা তৌজররোই। (কপই)

থীনোজ : কুমার নং ইয়াম্ববু য়ারৌরব্রা ? করিগীনো নংনা অহুঙ্গা বা

ভাংলিকবো : নংগীদমক ঐখোয় লৈরিবসিদি ?

রবীন্দ্র : ঐমা, ঐখোয়গী কাকানা কল্লিবনি করিগীনো ?

থম্বাল : ঐনাম্না ভংলুবদা খবার পুংভাইতত্তুনা কল্লিনি।

রবীন্দ্র : কাকা, কপকস্নু, মী তৈখোকনীগে। পাম্মু, কাকানা মখোয়গী পরিক্ষাদা মকোক ওইরে হায়বসিবু অচুমরনে ?

বীনোদ : অচুমনি, নং কাকাদি পুইদগী মকোক ওইরবনি।

রবীন্দ্র : অম্মুক মুংভাইবা মুমিংসিদা, কাকানা হয়াওগেদি হায়দনা কল্লিবা করিগীনা ? লাকও ঐনা হোতেলদগী লৈরুবা শন্নোম লৈরোই; পরিক্ষাদা মকোক ওইবগী থকমিয়রুসি।
(খুং পাযত্তুনা পুখি)

বীনোদ : থম্বাল পুয়মক নংগী হৈ-শিংবদা লৈরবনিকো। ননাওসি মী ওইনবা শেমসিকো; লমথাংদা লাইরিক তম্বা তোকহনবা যাদে। মচাক থবোগী বাওংদা থর বারোঞনা মাল্লি; নং থর থেমজিন্নু।

থম্বাল : ঐনা ফনবা থেমজগে, ইনাও কুমারদি মবুক ফবনি থেম্বা য়াগনি, কুইনা থক শাওরোই।

বীনোদ : মবুক হরাওহনবদা মতেং ওইনবা ওসি পরিক্ষা ভয়কপগী মাগী মরুপ মপাংশিংগা চামিন-থকমিয়নবা লুপা ৫০ অমা ১০০ অমা পীবীয়ু; ঐগী মনি সেক্তা যাওহৌবনি। ঐ হুকচাং অমুক্তা শেংলুগে নংস্থ অবাং অপা য়োংলরো। (চংমিয়খি, কুমার লাইরিক অমা পাল্লরগা থোরকই)।

কুমার : (ইমুংদা ওনশিন্দনা কৌই) হায রবীন্দ্র, রবিচন্দ্র নাথায় অনিমক কাকাগী নাক্তা লাও। (রবীন্দ্র হয়াওনা থোরকই, রবিচন্দ্রা ভাইয়াক লৈরগা তম্না থোরকই)

রবীন্দ্র : করি হায়রগে কাকা ?

কুমার : কাকাগা লাইরিক পামি লাওরে। রবিচন্দ্র নংস্থ কাবাগী মাকশিদা চংশিনকউ। ঐ বা অমা নবানিদা হংগেকো। রবীন্দ্র নং হায়া হায়য়ু নচলাইরিক কয়া য়াম্না তমগনি ?

রবীন্দ্র : কাকানা মকোক ওটথিবা বি, এ, কাওবদং তমগনি।

কুমার : অদু থক্কা তম্বা য়ামে, বি, এ, মী মখাগী এম, এ, কাওবা তমং-ঙম্বখিবনিকো ! অদু কাওবা 'তম্বা' ওইবা লাইব্রিক কয়া 'পাদ্র ! রবিচন্দ্র-নংদি কদায় কাওবা 'তমগনৌরিবা ?

রবিচন্দ্র : কাকা ঐদি লাইব্রিক 'তম্বা য়াম্না 'ওন্নি; লাইব্রিক 'পাবদা শাগবসু কংদে, পাম্না কাব্রবসু ওক্সানা হুই।

কুমার : হে, অপংলা; হৌজিকী মতমসিদিদে, লাইব্রিক হৈত্রবদি য়াম্রবনি। হিরম থুদিংমক্তা লাইব্রিক তম্বনা শাকচবনি।

রবিচন্দ্র : কাকানা হায়জিন্নবত্রনো। ইমান্নবা তোম্বখোয়দি লাইব্রিক তমদে, করিস্তু তৌদনা মুংঙাইনা অত্তুম লৈরিবসিদি।

কুমার : মানী মতৌ নংনা হমলোইদবনি; মখোয় পাবুংদি তলব চাদে অতুনা লাইব্রিক তম্বা ওমদবনি। নখোয় অনিদি লাইব্রিক তম্বা তোকপা য়াদে, লাইব্রিক হৈবা মী অমমম ওইনবা কন্না লোংনগদবনি। নখোয়না থওদবতু ঐ হোয়েন ত'কপিগে। নবানিনক চংথোক্তনা লাইব্রিক পারম্মুকো। (চংথি)

রবিচন্দ্র : তাচৌ নংদি লাইব্রিকসি তমনিংব্রা ?

রবীন্দ্র : তমনিংই, লাইব্রিক তমব্রবদি ঐখোয় ইমানসু চৈ, চাকসু পীজরোই হায়। অতুগনে ঐদি হন্দক ক্লাস অমসু কারনি, মেট্রিক ওন্না থানবা।

রবিচন্দ্র : তাচৌ নংগী ইমাদি কাও; ঐগী ইমাদি য়াম্না কৈ। লাইব্রিক তম্বা চত্রবসু ভাংদে, ফুস্ন ফুবিদে। নহালসু তোম্বখোযগী মনিংদগী হোম্বা ইবানিনা মংগ্রা হুরান্দুনা চ'য়। তাচৌ নংদি লাইব্রিক তম্বা চৎপনিনা চানা ফংদবদো।

রবীন্দ্র : নখোয ইমানদি চৈত্রা অতুদি ?

রবিচন্দ্র : ঐখোয় ইমাদি অমুক্তসু চৈদে; কাকানদি লাইব্রিক পাদবগী অতুগা লৈকাই কোইবগীদি ভাংই। অতুসু কাকানা হেক থোকখিবগা ঐসু অতুম তোম্বখোয়দা শাম্নবা চৎলি। তাচৌ

মং কাকাসি হুংশিল্লা ?

রবীন্দ্র : কাকাম্নসি হুংশিনদি কৈনো ? মাদি মুংজিল্লী ঐখু লাইরিক তাকপীঃ ক্লাউন্ত লৌবী, কাকাম্নদি হায়া কৈনো।

রবিচন্দ্র : ঐদি কাকাসি হুংশিদে। মাদি ওাইহাক লৈতগা লাইরিক পাওদা হায়ঃ শায়মেহু য়াদে। হয়েং ঐদি কাকাওয়া চাওরবা মতমদা মাপা কুমগনি।

রবীন্দ্র : অদুদি ফতেহৈঃ কাকাদি ইমা পাবুংনহু অকথা মীনি হায়ং মানা পরিক্কাদা মকোক ওইবগীহু পৈশা পীনি হায়দো পাবুংনা।

রবিচন্দ্র : কদায়দৈ পৈশা পীদোযবা ?

রবীন্দ্র : পাবুংগী মনি বেকুগী পীদোইনিদনা।

রবিচন্দ্র : অদুদি ঐ পৈশাহু হুরানলুখিগে।

রবীন্দ্র : (মথন্ত) ঐনা পাবুংদা তাকথোকপীগে। (থরো থোরকই, রবীন্দ্র চংখি)

রবিচন্দ্রা : ইমা, পাবুংগী মনি বেকুনে পৈশা য়াওই হায়যে ; কাকাদা পীনবনি হায়, ঐ হুরানলুগেদো ?

থরো : কুমারদা পীনবা পৈশানি হায়বা ? (কোয়য়েং য়েংলগা) হুবানলুচো ; হায় অদুগনে মীদি খঙহনবা য়াদেকো, চংলু যাওরহমথৈ পুরকউ।

রবিচন্দ্র : কমাহু খঙলোইদা, মী অমত্তা উহন্দনা ঐ পৈশাহু পুরকে। (চংখি)

থরো : (মতোমতা) ঐগী ইচাসিদি মমা ঐগী অপাম্বা অনিংবা পুম্বা লোইনা খঙই হায়রবানি। মমাগী মচা খুৎ চপ চাবা হাযবহু থোকইদা। হন্দক্তী খঙগনি, মখোয়গী ইমুংসি খা বাং খঙদনা থুগায়গে থরো ঐগী ইত্তিক খঙহনগেনা। লৈরিবা সম্পত্তি পুম্বা ইচা রবিচন্দ্রগী ওইহনগে কমানা খিংবা ঙম্বগে য়েংগে। (রবিচন্দ্র থোরকই)

রবিচন্দ্র : (লুপা ১০০ চংবী থরা পীরগা) সে, ইমা যাওরহমথৈ পুরক্লবনি।

থম্বো : (লৌশিঙগা) কনা কনাদি উহৌই ?

বাবচন্দ্রা : হৌজিক্তী কনাসু উহৌদে। ওশাই তাচৌদদি হয়ানগনি হায়দোকখে।

থম্বো : করিগী হায়রুরিবনো? মহাক্না মীওোম্বা হায়দোকপা য়াবা ঙ'ম্বাও? পাংথোদকো নংসে। মতুংদদিনে অহুগুম্বা বাহু মীওোম্দা থক হায়দোকসু। সে ইমা বা হায়গে। হোয়েল নং পাংবিমা শেল লৌত্রা হংলবদিনে লৌদে থঙদে হায়না খুমগাদবনিদো।

বাবচন্দ্রা : অতুবুদি খুম্নীগনে; নহালমখৈসু অতুম খুমজিবনি।

থম্বো : অড়ুয়া শিংগদবনি. লাকও হোতেন্দা নংনা চানিংই হায়বা তাচ'পোংমগৈদ্র পীজগে। (চংমিম্লখি)

(Short Interlude Music)

অনিশুবা তাঙ্কক

মক্কম : লম্পী।

মতম : অয়ুক।

(খুরাচাওবা মাইবনা, শেগাদা ছাত্তিন অমা য়েপ্পী, লাইনক্তা চন্দন তৌনা খিল্লি, ইশৈ মতেক অমা ওংই তুং হনা যেলহনা চংলি)

চাওবা : (ইশৈ লোইরগা, বাখল তৌনা) ঐনা ইচাম্ভু য়াওদ নোং ফুং ভানবদগী মুনিং জম তাবা ফাওবা ইরু-ইয়াং তেরু পৈশা তাল্লিবনি হায়তুনা মাইবা শারি। ইহে, বাখলসি মপুং ফানা খনবা য়'রোইদোরেনে ; মাগী য়াইমা হায়বা বাখল চোইবসি অমুক থেংনরেনে : ঐবু মাগী থরোলৈমনা কৌহনবা লাকপা ওইরম্লবদি ফনিদা ; নত্তহনা অম তামগী ওইরবদি হৈনরোইনে।

য়াইমা : খুরা, ওজা, চাওবা, মাইবা, অথুক অভনবসিদা ইরুজবা লুপ্তদবা, চান্দাল চবা ইরং লংনা খিন, শেগাদা ছাত্তিন অমা য়েপ অনাখা থিনা চংপীরিব্রা ?

চাওবা : হায় য়াইমা অভ'এব'ও, মী মমিংবু অহুম্না কৌবা হৌনব্রাও ?

য়াইমা : হায় খুরা ওজা চাওবা মাইবাও, করিগী খোম্নানো ? য়াইমা ঐদি মীনাই ওইনা উরবন্থ ধর্মদি কায়দবনি।

ওবী : থর্মী কায়ঙ্গপা করিমিনো ঐগী মিংবু অহুক শাংনা কৌরি-হখো ? (শাওবা) নংগীসিনু ঐবু উশিত্তবগী বারা ? মী-নকা পীকশিল্লে, নবাই লেকলা ওজিন্নুরা ?

ইমা : খুরা ওজা চাওবা মাইবা, পীক্লবহু হৈগ্র, মঙন লৈবনিকো। অপীকপা তীংখংনা য়ুবদা অকনবা মীহু খোঙ থাংবা য়াদবনি। কুপ্পা থিজিন্নবদি ঐনা নত্তোঙ্গগী চহিহু হল্লমগনি, মীনা কৌনৈ হায়ত্নুনা খুরা কৌবিবগী বানি। নংদি অঙাংনি ঐনা পোবা য়াবা।

চাওবা : অঙাং শোইনৌ নংনহু ঐত্তোঙ্গগী চহি হল্লমগনি, ঐবু পোবা য়'বনি কায়নহু হায়জবহু শাই ; মীনাই মচা চৌহীবা, অহল নত্তনা অহলহু শানিংলি।

থাইমা : হেরা ঐনা নখোয়দা ঙা-মচা য়োনবা লাকপদা নংদি পীশব পীকহৌরি, কাফে কাফেদি চৎলত্রা। অহুগহু চাও-শাংই হ য়না মী উশিদ্রিয়। চাও-শ ংবা লীলহু অপীকপা চাও-শক্লা হাংহৎপনি হায়ৎসি মী অচৌবশিংনা থরা থরা নিংশিংনসে।

চাওবা : নংনে, নং চৎঐ্রা হায়রিবসিকো। (খুৎ খৎলি)

থাইমা : নংহুনে নং হনখ্রো, হনঐ্রা হায়রিবসিনি। (খুৎ খৎলি)

(খুরা চাওবা, তায়াইমা চৎনখি ; থরো, কুল্লা বারী শারত্নুনা লাকই)

থরো : তাদা, মখোয়গী মাইবত্নুবু থবকসি মায় পাকপা হুকঙম ঙয়রোই হায়ত্রা ? ঙসি ফাওবদা করিমত্তা কানবা ফংদে।

কুল্লা : থনক অমত্তা মঙ্গল ওইদবসিদা ঐহু হায়কম খঙত্রে। অহুগনে মরক্সিদা মী খঙনরকনি থরা চেকশিন্না লৈয়ুকো।

থরো : ওস্তাক্লা নুপা মানজথিত্রেদা। হামগী মাইবত্নুনা থবকসি ঙমত্রনহু অত্তোম্পা মাইবা অমা থিগদবনি। হিগায়রা তৌত্নুনা ইম্মুংসি কায়ননবা শিন্দবা য়াদে। তাদহু খন্দুনা য়েংবিয়ুনে, ইচেগী মচানা মেট্রিক থাদোরে, (ঐগী) মচা ইচানা লাইব্রিক তমদবমখে ঙাওশিন্নত্নুনা লৈরে।

কুলা : মহ্থু পুন্নমক ঐস্থ খঙই ; অহুনবু মখোয়গী লৈস্লিবা মালজাং পুম্না ইচা রবিচন্দ্রগী ওইনবা হোৎনখদৌরিবসিনি।

খরো : মহুৎসং শোয়দনা থন্না হোৎনমিন্নসে।

কুলা : মসিবুদি সুংশোয় শোয়ত্রবনি ; লৈবাক্তা খোঙনা চৎপ-শুগনি। চেকশিনগদবদি মনাওস্থপা কুমারসিনি। মসিগী অঙাংসি অয়াইবা মী মত্তে, মাগী মশুনসিদি মনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবনি।

খরো : কুমারবু লমখাংদা মাংহন্নবা, ঐদি মহাকপু লাইরিক মখা তমহন্দনবা হোৎনবনি। অহুবু ইচে খম্বালগা ময়াম্বুংগনা ভমহুনা তমহনখে। মসিগী অঙাংসি মী তীন্নবা হৈ, ইমুংগী য়ানবা চংলি।

কুলা : তশেংনা জ্ঞান লৈবা অঙাংনি, মহাক লৈবনা মখোয় ইমুংসি শান্তি লৈবনি হায়বা য়াই। ঐনা সুম খনবদা হুপী লোনবা ইমুংনা শান্তি লৈনা পানবসি নখোয়গী ইমুংসিদনি।

খরো : খ্বাইদগী লুরিবদি, ঐখোয় অনিগী অরোনবা মরী, ঙাংনশক্রিবা রাগ্নী পুন্নমকসি তায়াইমা অমদি কুমারনা খঙলম-লক্ত্রা চিংনরি।

কুলা : তায়াইমনা খঙবদি অরাইবনি, মাদি অঙাওবা মীনি। কুমাবনা খঙখিবা হায়বহুদি যাম্না লুইকো।

খরো : ঐখোয়না অনৌবা লৌ অমা থাবদা মানা খঙলনস্থ কৈদৌজরনি।

কুলা : হন্দক্লা করম্বা মথলগী করম্বা লালংং অমুক তৌগদৌরিবা ?

খরো : পৃথিবী জয় তৌগে খল্লিবনিনা এতোম বোমদগী হেনবা হায়ড্রোজেন বোম শিজিন্নবা তারেদনা।

কুলা : অহুগী মথক্তা মতমগী অনৌবা খুৎলাই মিসাইলসু থোরাং তৌবা যাবে।

খরো : পুন্নমকসিদগী খনক থুনা, খুদক খুদক্তা হককোংনবনা করি ?

কুলা : হিগায়বা, চহি কয়া মায় পাক্লবা মীতৈগী মন্ত্র-যন্ত্র।

থরো : মহুদগী ফেনবনা চীনগায়বা ; চীনগায়বাগী মোংলৈ-মুংশিং মরক্তা অ্যান লৈরবা কুমার, ইং-চক্ষী ইচে থম্বাল, কয়াম ভুইনা খাওজুনা লৈগদৌরিবা ? .

কুলা : থম্বালবু চীনগায়বানা য়ুমদগী তাহোকপা ।

থরো : কুমারবুনা চীনগায়বাগী লাংদা তাহনবা ।

কুলা : খৌওং-খৌদানা করি করম্না শিনবা ?

থরো : মত্তৈমগা মনাওমুপাগা অনিগী মরক্তা চীনগায়বাগী হু চায়-শিল্লগা বদনাম শীরবদা সিত্তা শাবী থম্বাল লক্ষমন শাবা কুমার মবানি কয়াম কুইনা য়ুমদা লৈমিন্নগনি ।

কুলা : নংগী করম্বা খুজিল থৌরাং ?

থরো : অশেম্বা বারৌনা খোইহি তৈরবা চীম্বান্দগী থোরকপদা কোকিলগী খোম্মেলগুম তারোইদবা কনানো ? ঐ, ঐগী ত ফনবা যেংনরবা মুগসিদা থর্ম্ম লৈবা য়াবা নত্তে ।

কুলা : অহুবুদি শেল চাবা ঐখোয়গী শরুক বদনাম চাবনা মখোয়গী শরুক । কাওবদি কাওগন্নু হুরানবগী তরানি মপুগী নোংখী ।

থরো : চংলুরগা হনবা থরোদি নত্তে ; পনশিরমদাইদা মায় ওল্লগে শল্লব্রা ?

কুলা : ঐবু থাজদবগী বাহংলা ? বীশ্বাসঘাতক ওইনা ঐহাক বীনোদ জর্জ তিম্নবগী মিংদা ওসি ফাওবদা নংগা অরোনবা থম্নকলি, মসিগী খোঙকমসি হোংগনি কিগন্নু ।

থরো : চংলুরবদি হল্লুরন্নু হায়বা পাউরৌহু কাওবিগন্নু ।

কুলা : অহুনবু ওসি ফাওবদা নতুং ইল্লিদনা ।

থরো : তাদা কুলা, ঐ য়ুমদা অমুক্তা চংলুখিগে, ভাইহাক লৈবী-রমগদ্রা ?

কুলা : য়ারে ভাইররোই, মুমিদাংবাইরম অমুক উররসি ; ঐসু থবক অমা লৈহৌরি, চৎপ্রগে, নংসু চংহৌরো । (থরো চৎখি, খুরা চাওবা থোরকই)

চাওবা : এ কুলাবাবু কদোমদনো তৌবিরিবসিবু ?

কুলা : পবক অমগী থোকচরকপনি ; থুরংচাওবা উরজনিংবা রাজ্যিম থরদুনা লৈরে। মতুংগী লাকচগে তৌজরগনি।

চাওবা : ঐহাক উরনিংলিবদি নঙাগীদুগীরা ? মঙ্গল ওইদ্রিবরা ?

কুলা : খজিক্ক ফাওনা কান্নবা ফংদি, মথানা কৈদৌরিগদগে ?

চাওবা : (খোশাদনা) উম ; ঐহাক হুমিক্তা চিংনদি খরা লৈগনি। করি মঙ্গল ওইদবদি য়াবা নত্তে, হৌজিক করি তৌসি হ'যবা ?

কুলা : শিজিন্নবা য়াবা পাম্বৈ পুথোকপীবগা মঙ্গল ওইনবা তৌসি।

চাওবা : ইনুং তাহোয়না মতুম্মা হায়রবনিনা মঙ্গল ওইহন্দবা য'ত্রদো ; ঙন্দক্কী অমরাইবা থুংথা তৌগে। ওসিদি কুলবাবুনা রা অমত্তবু হংগনে। কুল বাবুগা ইনেম্মা থরোগা অনিগী মরীসিবু কয়াম কুইরবগে ?

কুলা : মতুগী রারীহুদি য়াম্না শংগ্রবা রাফমনি। অতৈ মীদদি খঙহল্লবা নত্তে, থুবাচাওবা ওইবগী হায়জগদৌরিবনি।

চাওবা : ঐহাক অতৈ নত্তে খন্দুনা হংজরিবনি ; রাযনদু অমুক্কা তসেংনা খঙজনিংবা য়াম্না কুইবনি।

কুলা : থরো অমদি ঐ. পাখং লৈশাবা ওইরিবৈদগী হৌনা তংন থানবা লৈত্রবা মরী লৈনবকই। অদুবু কবিগুম্বা তঙাই ফদবা মতাং অমদগী জর্জ সাহেবনা থরোসি লৌখিনদুনা ইবানিগী মরাসি থরা তংলুরে।

চাওবা : কুলাবাবু, তঙাইফদবা মতাং হ যবদুবু করি কনম্নো ?

কুলা : জর্জ সাহেবনা থরোখোয়গী কেস অমা লেপ্পীখি, মাযম্ন পাকখি ; কেসতুগী মতাংদা থরোসি বীনোদ জর্জদা লৈবা তাখিবনি। মতম অদুদগী হৌনা মা ঐগী মরীসি তংনখ্রে হায়বা য়াই। পুমতং তংনরে হায়বদি নত্তে, ইবানিগী ওইবা মাংফত্রবা ললদি অদুম্মক থরোনা জর্জ সাহেবকা মনাক্তা পুখিবনি।

চাওবা : রারীসিগী মতুং ইমদি রবিচন্দ্রসি কুলাবাবুগী ইচা মপা তারেনে।

কুলা : মানি, ঐগী ইচানি, অহুনবু মাখীদমক ক্ষনবা ঐনা কন্না হোৎন-রিবনি। খুরাচাওবা থাকমসি মাকোং জনি ওহনবদি য়াদেকো।

চাওবা : ঐ ভ'ব তাক্লে ; হন্দক্কী ঐসু অরোইবী খুৎ থারগনি।

কুলা : পুন্নম ক্লগী থরা হেন্না চেকশিনবিগদবদি মনাও মুপা কুমারনি, মসিমক্তং খুরাচাওবনা কাওসিগনু।

চাওবা : চুপ্পী, উকিলগী থবক্তনু ফরবা, জ্ঞান লৈরবা, ধর্ম কায়দবা কুমারনি। মসিগীসু মথক্তা শক্তসু অফবা তাক্তা তীমরিবনি।

কুলা : অহুমসু প কি কিবিরুখিণুদা ; খুরাচাওবথোয় ঐথোয় লৈরি-বৈদা মাগী শঙ্গ পাঙ্গনবু কৈদৌজরনি।

চাওবা : ওাস ফাওবদা ঐথোয়গী থবক্তা মানা করিবু থঙব্রবগে ?

কুলা : ঐথোয়না থাদখিবা এতোম লোম, হায়ক্রোজেন বোমাশংসি পোকথায়রকনি হায়বা কনানসু থঙবা ঙম্বা নত্তে।

চাওবা : লোয়বুদি কৈদগী মাংগদগে, মতম শুদবগী লৈরিবনি ;

কুলা : মরক মরক্তা খুরাচাওবনা থরোগা অমদি জর্জ বীনোদকী নালা চংখিরগা থবকসি মতম শাংথদনা মঙ্গল ওইনবা হোৎনখিবু। খুরাচাওবনা মথোয়গী ইমুংদা চংবদা চিংন-দংজিনা মথোয়না অথিংবা পীরক্লোই, থবকসি লাইনা পাংথোক্ক'ন। অব্রামলগী নাংদোন পোম্বীগনু, শেলগীদমক ঐ চীংগুম লেপ্পী।

চাওবা : হায়সু হোৎনজরকই, হৌজিকসু গুরু কৃপা য়েংদুনা অরৈবী থাদুনা হোৎনজরগান। হয়েংমক ইবেম্মা থরোগীদা চৎচগে। ইবুংঙোসু লেংলক্উ, জর্জ সাহেবনা ওাফিস কাপ্পবা তুংদা।

কুলা : ফনি, তাঞ্জা অমা য়েংলগা ঐসু শোয়দনা লাকচনি। খুরা-চাওবা, থাকমসি থুনা পাংথোকচিবমথে অফবানিকো ; অহুম কুইরগা থঙদ উদবা মীসু থঙনরকনি ; তানরকনি। মীয়াম্মা থঙনব্রগা ইপা ইচা ঐথোয়গী মান্ন খুবদা নত্তনা থবায় ফাওবা মাংবা য়ারিবনি। ঐনা হায়জ্রবসু খুরাচাওবনা

হেন্না খঙবিরবনি। য়ারবদি ওসি হয়েংসিমক্তদা মজল ওইহনবা য়ারবদি অঙবা শাক্তল পুখোকপীরগা হোং-নবিরো।

চাওবা : মুলাবাবু, খবক তৌবদা মায় পাকনি হায়রবগী য়াখলদা তৌগদবনি, নত্রবদি মায় পাকপা য়াবনি। নখোয়গী য়াখল পীকথগনু ; ঐসু শুরুনা তম্বীরকপা, ঐনা হৈজবা কয়াদু পুখোকনি হায়রজঅরবহুনি। কামদে, হন্দক্তী মজল ওইরগনি হায়রবসি চপ য়ুংনা লেপ্পীরো। হন্দক্কী খবকসিপীদমক পোংচং খরা থোরাং তৌবিরম্লবা হায়জগে ; মফমসিদদি য়ুংডাইত্রে, অশ্বাইফাওবদং লেংমিন্নসি অতুগা হায়জগে।

(য়াবী শারত্নুনা অনিমক চংমিন্নখি)

(Short Interlude Music)

অহুমশুবা তাঙ্কক

মফম : বীনোদ জর্জগী য়ুম।

মতম : অয়ুক।

বীনোদ জর্জ স্লিপিং স্যুইট শেৎলি, হকচাং য়াম্না মুংশাইতবগী মওংদা পাইজমা অমা শেৎলগা থোরকই)

বীনোদ : হন্দক মরকসি ঐগী হকচাংসি কৈনো অমা ইত্তৌ তৌইদা, লু-য়াং ইনা মাই, মোং মংবসিনরা খওত্রেনে। (ইমুংলোমদা কৌই) হায়, তায়াইমা, তায়াইমা !

যাইমা : (মমুং চ-লুবগী, নাদা লুঙুন য়েৎপা, খুদৈ মচা অমা শেৎলগা বালতিন অমম্ম পায়রগা চেপ্পোরকই) সাহেব, ঐখোয়গী সাহেবপু করি তাকপীগদবা ?

বীনোদ : (নোক্লগা) হায় অপংবসিদি, পোৎ-চৈ নক্তি-নরোলশিংত্তু হায়না লোইশিন্নুখো চৎলুনে। অতুপা হকচাংদি থর নোইমু, ঙসিদি ইত্তেক তেকই।

যাইমা : (য়াখল তৌরগা মঙক হাই) সাহেবনদি ঐবু পংই হায়, লৈকাইগী মীশিংনদি য়াইমা ঐমুক শিংবা মী লৈতে হায়, ঐবু হবাঙগদবদি কাখৎপা চীপ্পালসি উমশিন্দবা তারব্রা ? (চংখি)

বীনোদ : থুনা থোরকউরকো (চৌকিদা ফমগা) তাঙোইদসি কয়াদা

য়াখল থেদঞ্জবনো ; কৌই হায়তুনবু কিডম, মতা চাবনা মেঙ্গা লাকলিনেপে, ইচম চমজবা মাপী মতৌলিদা মথোং চাত্রবস্থ মুংশিদবা ওমত্রবনি।

যাইমা : (থুম-থাও পায়তুনা থোরকই) সাহেব, লেবা তৌজগে, মলাই য়াইমনা পায়গ্রবা হকচাংদি অনাপা মথে খাই সাংখিপদনি।

বীনোদ : মাইবা শারোদনা ; নংনা পায়বদদা অনাবা সাংলবদি মমিং ফজনা চংলনি শেলস্থ য়াম্না ফংলনি। (তায়াইমনা থুম থাও তেবলদা থয়গা হকচাংদা তৈরে, নোইবা হৌই) থুম থাও য়াওত্রবস্থ নিংথিজনা পায়রুদা।

যাইমা : সাহেব ওসিদি করিগুম্বা অমত্তা হংজগেনে।

বীনোদ : করি য়ানো হংউ।

য়াইমা : পৃথিবীগী জীবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পংবসি করিনো ? মমিংতু অগুক্তা হায়বিরকউবা সাহেব ?

বীনোদ : মী পুম্বা খণ্ডনরবতুবু নংদি হৌজিক ফাওবা খণ্ড্রিনা এই-রেকো। খ্বাইদগী পংবা জীবদি গধানিদনা, গধা।

যাইমা : সাহেব মতুদগী হেন্না পংবা অমা লৈরিমাংদ্রদা।

বীনোদ : করি জীব, খওলবদি হায়রকউ তাগেনে।

য়াইমা : শাওদি শাওবিমুকো সাহেব।

বীনোদ : শাওরোইনে ; প্রমান্দবু মতিক চানা পীযু নত্রবদি থাগী তলব তঙ্খায় অমা ককনি।

য়াইমা : ককপীবু সাহেব, ঐ যাজৈ ; অহু শাওদি শাওবিগুকো।

বীনোদ : তায়াইমা নংবু শাওরোইনে, হায়তুম হায়রো।

য়াইমা : হায়জরনি সাহেব, শাওখিবদি য়াদে ; মুপী লোনবা মুপা-সিমুক পংবা লৈতে হায়নৈ। ঐখোয় সাহেবপুদি নংচাদে ঐখোয় সাহেবতী শিংবনিনা জর্জ ওইরিবনিনি।

বীনোদ : ওাইখো তায়াইমা, মুপী লোনবা মুপানা পংই হায়বগী প্রামান পীখো।

য়াইমা : সাহেব, থুপী লোমবা ইমুংদি ইশৌ লাংই, অসি লাংই, থাক্তি করদে হায়রসি থাইলদগী তানরে খওখাইর ঈরে : মসিমক্তদা থুপী লোমনি হাক্কহনা লোল্লিবসিবু শিংবা অকহনা তৌগ্নিবা নত্রনে সাহেব ?

বীরেন্দ্র : অহুবুদি অহনশিংবা হায়নরমজিবনি, অনি লোনবা ইমুংগী শুমাংদা তিংখৌ কাওবা হৌনিংদে হায়দনা : অহুবুনে তায়াইমা, থুপী অনি লোল্লিবসে নাতৈ য়াদবগী লোনখিবস্থ মরাওগ্নিবনি। করে হকচাংসি থরা য়াংলে, তোক্লসি।

য়াইমা : সাহেব মথা করি অমুক খোঁদাবিগদবা ?

বীরেন্দ্র : ঐ মথাগী তাদা নরাংগীদা থবক অমগী চৎলুখিগে, হল্লকপদা চা অহাওবা অমত্তং থকে, চা হাওনা লোল্লখ্রকো। থরা থুনা লোল্ল, ঐ পংকুই কুইরকলোই। (খোকথি)

যাইমা : ফনি সাহেব হোৎনজগে। (খুরা চাওবা চংলকই)

চাওবা : (খোঁদেসই) তায়াইমা।

যাইমা : অয়ুকসিদা, খুরা ওজা মাইবা চাওবা লাকপীরিব্রা ?

চাওবা : তায়াইমা, খোন্দা লুদেদকো ?

যাইমা : চংবিরকউ ওসিসিনা করি হোৎনদিদৌবিবা ?

চাওবা : তাযাইমগী বাঙাংহুবু করিনোনে ?

যাইমা : ঐদি মতমগী লাই পুম্বা উনা ওম্বা মীনি; ইবেম্মা থরো উম্নরগা করি থৌরাং তৌগদবনো হংবনি। ইবেম্মা থরোম্থ লৈবনি : পাও পীজগে প্লিজ সিট ওন দ চিয়ার আই গো ইন দ হাওস, অন্দরষ্টেন্দ ? (চংখি)

চাওবা : (মথন্ত) মসিবু ভাওরিব্রা, ভাওশিন্নরিব্রা ? ঐভোন্দা ইংগ্রাজিকা ভাংলম্মীবসিবু হৈরে তাক্লিব্রা নত্রগা উশিত্তহনা মতৌরিব্রা ? (থরো থোরকই)

থরো : খুরা চাওবা লাকপীরম্মী ?

চাওবা : হোর ইবেম্মা লাকচরম্মী : ঐখোয় ইবেম্মসি মহৌশাগা ইমান মাজনে, হকচাং য়ুংঙাইবিক্রগা ভাইহাক পায়রম্মুদ্রা ?

খরো : যাঙ্গরে। খুরা চাওবা ; তমজনিংবা থাক্কা অমত্তু লৈতে। জেজত্তু শোরকনা ওইবা ঐখোয় সাহেবগী কুমা তকশিল্লরবনি। শোয়নবদি ওকগনি শোলদি খরা চংপনি হায়রি ; অত্তুনা শেল খরা খোইরাং তৌবিয়ু।

চাওবা : ভাব তাজরে। ইকেম্মখোয়গীত্তুনা কমদৌগি হায়বা ?

খরো : হৌজিক ফাওবদি মঙ্গল ওইরে ; কম্ফি করম তৌরগা ফগদগে হায়বত্তু তাকপীরো, মথা খরা খুনা চংথবো পামজে।

চাওবা : করে, হন্দক্তী অয়োইবী মীত্রম শারগা থবক তৌরগে। হৃযেংসি থাংজনি, মুমিদাং মী তুম্মবা মতমদা ; খক্কসি পাংথোকসি, চংগদবা পোৎলম পুখ্বা কুলা বাবুদা হায়রম্লবনি, মাগা তাম্লোকো। ঐত্তু মথা লৈকাইগী নন্দোন তোম্বীত্তু মরী ওাইহাক শুবিকখিগে।

খরো : য়োবিরসি ; মরম পুখ্বা তাদম কুলাগা শোইদনবা হোৎনজরমগে, খুরা চাওবত্তু মতম চানা লাকপীয়ু। (খুরা চাওবা থোৎকখি) হায় তায়াইমা, তায়াইমা, চাত্তু হৌজিক ফাওবা লোইহ্রিব্রাও ? মাইপাবুং হল্লক্লেনে। চা গ্লাস অনি অত্তুমদং লোমবদা অত্তুক কুইরবদি থবক অতৈসিদি নংনবা হৌনব্রেনে নংবো। মাই পাবুং গেট য়োশিল্লক্লে হায়বনি, পুথোরক্লো।

বীনোদ : (চংলক্লগা চৌকিদা ফমই) চাত্তবু লোইহ্রিবরনে ?

খরো : লোইজরে, পুথোরকউ হায়ত্তুনা হৌজিক্তা হায়জগ্রবনি। মাইপাবুং, হন্দক তারিবা পাও অসি ওস্নোক্লা ইকাইজব্রেদা।

বীনোদ : ঐত্তু খল্লমলিবনি ; অত্তুবু মহাকমক্লা অত্তুম্না তৌরমগনি হায়বদি ঐহাক্কী পুক্নিংদা থাজবা ইওম ওমদ্রি।

খরো : হৌদোং তুমিল লৈবনা- চকু ওম্মী হায়বত্তুনি ; য়ুমদাংবনা কৈনাইবা হায়বগুম মত্তু মপাল মত্ত ফাম্বগা উশিং থওইজবনি। জর্জ অমগী ইমুংদবু অত্তুগুম্বা থোদোক থোকপদি লৈকাইসিগী মমাংদা কয়াদা ইকাইগ্রবা থাকমনো ?

বীনোদ : (খর শাংনা হোল্লগা) খওজে হন্দক্তীসি কম্বি মতৌনো ?

থরো : মকোক্তা শংবু হৌরবদি লাইকরম্ভু হায়বত্থু চুমগ্রবজাংনি মাইপাবুং। লৈকাইমমাংদা বা-বা লাওনজিল্লৈদা মহাকপু য়ুমসিদগী তাম্বোকপীগ্রো : চাত্থু সিদা পুরকউ। (য়াইমনা চা পুথোরকই, তেবলদা থম্মী, মচি 'অমদা বা তাই) চংলা তায়াইমা, শীংত্থু থরা থায়রুচো, মংনা বারী তাত্থুনা লৈগদবা নত্তে।

য়াইমা : (তানিংনা) ফনি ইবেম্মা থায়জরুগে। (চংলুরগা অমুক থোরকই, বারীত্থু লোমা তারি)

বীনোদ : মখোয়বু করি কগদৌনা য়ুমসিদগী তাম্বোকবা ? লুগ্রেদা

থরো : হুইনাও মচাশিংসে কয়াম কুইনা লুনা চাম্না থমত্থুনা লৈত্তোন লেকহনবিখিগে হায়বিবনো মাইপাবুং ?

বীনোদ : ঐগী ইনাও কুমারমরুবু হায়রিবসি তৌরমগক্রনে ? ঐবু মঙলা তাইবংলা মফম থঙদ্রেসে।

থরো : তাইবংনি তাইবং। ঐনা তত্বসিদা য়াম্না থাজবিদ্রগ্না ওসিমক মখোয়গী মত্তৌত্থু লোম্না য়েংবিসু ওসিসি ওফিস কানিরুবন্নু, হকচাং ওমদে হায়ত্থুনা ছুত্তি লৌবিরো। মখোযনা লোঙ্গা লোন্থপুরিডৈ তাঙ্গাদা ঐ তাকচরক্কে।

বীনোদ : ফরে, মত্থুনা চুরা তারে, ওসিসি ছুত্তি লৌবা তারে। (রবীন্দ্র চংলকই) রবীন্দ্র টেলিফোন্দা হকচাং ওমদ্রে ঐ ওসি ওফিস কারক্ররোই থরা হায়খো।

রবীন্দ্র : হায়রুগে পাবু, কাকাদি কদায়দা চংথোকখিবগে ?

থরো : লৈরিনি লৈরিনি চাকশংদা।

বীনোদ : নংকাকাত্থু কোম্না উম্নৌ, হাম্না টেলিফোন তৌরুখো চংলু ; থবক তৌবদা পত্তবা পামগন্নু (রবীন্দ্র থোকখি)

থরো : মাইপাবুং, ফমুংদা তুমিম্না পোথাত্থুনা লৈবিরুরো, লোম্না হিপত্থুনা লৈবদা কনানত্থু থঙলোই ওফিস চংখিবনি থম্নগনি।

বীনোদ : মত্থুয়া তৌরুরগে; হন্দকী রাথোকসিদি ওম্বোক্তা হুংঙাই-খিদ্রেদা। (চংখি, রবিচন্দ্র থোরকই)

রবিচন্দ্র : ইমা ঙসিদি লুপা ৫০০ থক্কা পীয়ু।

থবো : অদুক য়াম্না শেন্দু লৈদি কৈদৌঙেদৌরিবা ?

রবিচন্দ্র : মতমসিদদু লুপা ৫০০ দু য়াম্না হায়রিব্রা ইমা ? চা য়ামনা লুপা পীরবা, খোংয়াও অমদা লুপা ১০০০ পীরবসিদদু লুপা ৫০০ দু কয়া য়াম্বা শেলনো ?

থবো : অদুবু ঐহাক্না লুপা ৫০০ ফানা লৈহে, লুপা ৩০০ মুক্তা লৈরম্মা যাই। অদু ৩গা লুপা ২০০দুদি নপাবুংদা হায়রকচো।

রবিচন্দ্র : ঐ পাবুংদা হায়বা ঙম্লোইদে, নং হায়যু।

থবো : হায়বা ঙম্মোইদবা ওইরগনা লুপা ৩০০ না কোইনবা শিঙো, নপাবুংসু হকচাং ঙমদে হায়বনি।

রবিচন্দ্র : লুপা ৩০০ না শিনবা মরোন বোয়রেবোই ইমা, প্রোগ্রাম অমগী নি।

থবো : অদুবু ঐহাক্না লুপা ৩০০ দগী হেন্না লৈতে কমদোসিগে ?

রবিচন্দ্র : ইমাগী সনা খুদোংপত্তু পীরো, কাযথোকনুবগে।

থবো : সনাসি কাযদবসু নমাচৌবাদা হায়রো, নাগীদ লৈবংগনি।

রবিচন্দ্র : ইমাচৌবীগীবু লৈরবদি হায়বগা, অমাংগদি ইমনা পী- দবনি।

থবো : নমাচৌবীসে খোথাঙ্ক হায়নবো, অদুগা নীং না না লাকউ। (থবে চংখি, থম্বাল থোংবক্কই)

রবিচন্দ্র : ইমাচৌবী, বা অমতং হায়জগে, শোগদনা য খুবো।

থম্বাল : করি হায়রিবো রবি ? নংনা হায়নিংবগৈ হায়যু।

রবিচন্দ্র : ঙসিদি ঐহাক ইমানবা মযামগা য়োয়ননা প্রোগ্রাম অমা লৈ। মদুগী খরচ ওইনবা লুপা খজিক্তা পীরক্খু।

থম্বাল : কয়া য়াম্না চংগদৌরিবা শেলনোনে ; ঐগীদি য়াম্বু লৈতেদা।

রবিচন্দ্র : পংয়াম য়াম্বা শেলফম নত্তে লুপা ৩০০ দনি।

থম্বাল : ৩০০ দি শুন্দ্রে ; ২০০ ওইনা লৌরো ; ৩০০ মু মুমংনি, হৌজিক্তা নয়াম্বনা ১০০ পুরে ; লাইরিক লৈরুনি হায়রা কৈনো।

রবিচন্দ্র : ঐখোঙ্ক জামোগী লাইব্রিবসি লৈহু লৈব্রপোকনি। অদু ইমাচৌগী, লৈত্রে হায়রবনিনা, লুপা ২০০ দু পীরো।

থম্বাল : নং লৈরম্মু, ঐ লৌথোকলুখিগে। (হংখি, কুমার থোরকই)

কুমার : রবি, নখি অদুক নাম্না শেংসিবদু কদায় চংকদৌরিবনো ?

রবিচন্দ্র : (য়ায়া চম্না) কাকা ঐ ডসিদি ও, সি, নিত্যাইগী মচানুপা জয়না চাক্কৌরি ; মহু চংকে তৌজবনি।

কুমার : নখোয়গী চাক্কৌবসি ওস্তোক্কা তোয়ব্রেদা ;

রবিচন্দ্র : মহাক ইউ, কে, দা লাইব্রিক ওম্পা চংকদৌরি, মহুগী চাকৌবনি।

কুমার : মংগী মচানা ইউ, কেদা, আমেরিকাদা লাইব্রিক তম্বা চংলি, মংনা মেট্রিক ফাওবা পাস তৌবা ওমদ্রি, ইকাইজ্রা হায়বনি।

রবিচন্দ্র : (খুমনা) কাকা, তামো কদায চংকনি হায়রম্মী, পাবুংনা কারম্ব পীদুরাম্রে, ঐবু থর থিনবীযু হায়রগে।

কুমার : বুক হৌবদা লাইব্রিক লৈবা চংখিবনি, অতৈ অতৈদা চংকদবা নাংনা হল্লক্লনি।

থম্বাল : (খোবক্রগা) সে, রবি পেশাসি লৌরো। (পী, লৌই)

কুমার : লুপাদু করাক্নো দানা ?

রবিচন্দ্র : লুপা ২০০ দনি।

কুমার : অদুক যাম্বা লুপা ২০০ চুদি করিদা শিজিন্নবনো ?

রবিচন্দ্র : চুপ্পা ফারংখাওদা চাম্মবনি।

কুমার : হসুদি, ১০০ মং পুখা, ১০০ না ইতৈমদা পীরম্মু।

থম্বাল : পুক্ত্রসংদা, পামংদিনা থরা য়াম্না হাপনিংবা ওইরিনে। রবি চংলো থরা। ছন্নদি হল্লকউকো

কুমার : রবি মসিনদি কাশ্রগনুকো, মশাগী অফ ফত্ত লেপচবা ভ্রমগবা মীগী মফমদাদ পৈশানা মা মাংহনবনি।

থম্বাল : রবি নংবু চংলেনে, থেংগ্রনি। নয়াম্বহু লম্বীদা থেংনবন্থ য়াই, খিনগেম্থ হক থিলহল্লু।

কুমার : নমথাক তৌহনা কারহু পুখিবদি য়ারোই ; মহুম তৌরবদি

ঐ লাতুনা থিরগদবনি থঙউ (রবি চংথি) নহালহু কাকানা হায়রকপনি হায়জিন্নহুনা ঐগী মরূপ ডাক্তর শ্যামদগী লুপা ২০০ লৌরম্মীনে।

থম্বাল : অচাওবা অঙাংনিনা মানা য়াগদবা শক্লগা লৌরিবনি। নত্তে ইবুংঙো, ঙসিসিবু নংগী অতে থবক লৈরিব্রা ?

কুমার : ইতৈমা, থোইদোকপা লৈতে, করি হায়বগে ?

থম্বাল : ঐগী পারাহু মথা তাকলমউ।

কুমার : কন্নি তাকচগে ; অ মহেক খঙলমদবা ইতৈমনা ঙসিদি মীতৈলোন পাবা ঙমলে। মীওইবনা হোৎনরবদা ঙমদবা থবকসি লৈতবজাৎনি।

থম্বাল : ঐনা অসুম পারকপদা রামায়নগী মতাং অমদি অহল লমন্না লিনরিবসিগা থরা থেন্নগুম তৌই।

কুমার : লোঙানবা ওজা অনিগী রাথলনিনা খেন্নগনি ইতৈমা ; (মবানিমক মায় ওনশিন্নরগা চৌকি অমমমদা ফমই, রামায়ন ফান্নগা থরায় যাওনা পাই, তারি ; মতমসিদা বীনোদ, থবো লোন্না থোরক্লুনা যেংই, চিংনবা ৩াইহাক যেংলমলগা তুমিন্না অতুম্মক চংথি)

থম্বাল : লাইরিক্কুনা অমা ইরগা অহল লমনগী বাবীদনা অমা ইরিবসি খঙদবা মীদা থরা চময়না থোকত্রনে ?

কুমার : চুম্মী ইতৈমা, খেন্নগনি ; অতুবু খেন্নজসমু বায়বা লৈতে ; বারী হায়বহুনা অহল লমন খাই তাবা য়ানবা শেমলগা লীবনি, লাইরিক্কা মতুমক্কি নত্তে। খেন্নবা কয়া লৈবসু ঐখোয়না তমগদবা, লৌশিনগদবা অফবা পাওতাকশিংহু খঙজিন্নগা লোইরে।

থম্বাল : মতুনি ঐনা খল্লিবসু ; মুশী ওইবী ঐখোয়না সিতাগী মতৌ তমনিংঙাই গুন রামায়ন্দা ফজনা য়াওরি।

কুমার : মপুরোইবা নিংবা, মপুরোইবগী ফনবা খনজবা, মপুরোইববু করিগুম্বদহু বারোদবা হায়বসি সিতানা হুম্মীশিংদা তাক্লি,

ঙসিগী মুপী ওইবীশিংনা রামায়ন পা'ববদি সীতাগী লমচৎ শাজৎকী মমি মখোয়দা খজিরুং ওইরবসু তারকনি থাজে। মশানা যররোই হায়দুনা ফত্রবী মুপীশিংগীদি খঙত্রে। ইতৈমা অতোম্বীবুসু ঐদি রামায়নগী রারীসি মকোক্তগী লোইবা ফাওবা তাহন্নিংলিবনি।

থম্বাল: ঙাইখো ইবুংঙো, মসিগী রাসি তোকখিসি; ঐ রা অমা হংগে। (মী লৈত্রা য়েংলগা) হন্দক মরকসি ঐখোয় ইমুংসিদা খুৎশেম জাহুগুম্বকা তৌবা নংবু থেংনত্রা?

কুমার: ঐদি খঙবা বুইবে ইতৈমা; খুবাচাওবা মাইবা খত্রকনা ইতৈমা অতোম্বীগা অচিকপদা রারী শাবা, তাদা কুলানা মংম কাইনা যান্দ্রুংদা বানোম্বগী নিংদা লাক্লগা ইতৈমা অতোম্বীগা রারী শাবা, তাযাইমা অমদি ঐনা থেংনবা মশাং যান্নবনি। ফজদে হায়বগী তুমিন লৈনবনি।

থম্বাল: ঐসু ইকুই কুইদনা নোংমা নিনিগী মমাংদা খোইরুগী মীতম সনামহি মমাংদা লৈবম্বা থেংনখ্রবনি।

কুমার: মচু অমং কনানসু ওইবমলোই, খুবাচাওবা মাইবগা ইতৈমা অতোম্বীগা রারান্নবগা তৌবা শোযদনা ওইগনি।

থম্বাল: ঐদি নহালমখৈ ইচম চম্না লৈকনবনি, মীশিংসিদি থন্তোক্লা নিব কিবনা থবক যান্না তৌবমলেদকো।

কুমার: ইতৈমনা চম্না লৈবিবত্নুনি, ইতৈমবু কাযননবা মখোযনা শিন্নিবাস।

থম্বাল: প্রয়মক ভাব হাবে। হৌজিক কবি তৌসিগে, নযান্নুদা হৌদোকল্লবদা ফত্তবা তাগদ্রা? লাইবিক লাইশু হৈববা নংনি, কবি কবম তৌগনি?

কুমার: অচুম্বগী শক্তি; মুমিংকী মঙালনা অমম্বা মাংহনবগুম অরানবা থবকসি অচুম্বগী মগুন্না নোংমদি অচুম্বগী লম্বীদা পুবকখিগনি। মতমহু ঙাইবদা থরা হৈ-শিংনা লৈবীবা তারে; মুপী ওইবীগী হৌন-লোমচৎ, ব্যবহার কাযদ্রবদা

নোংমদি ঈশ্বর ম'মা ইতৈমগী মায়কৈদা শোয়দনা লেপ্পী-
রক্নি, পুংবা বাখিরুবু ইতৈমা।

থম্বাল : ফরে ঈশ্বরগী থৌজাল য়েংবা তারে। রবীন্দ্র কার থৌজিল্লরে, চংলকপগা নংবু থিররনি, চৎলো। ঐন্দ্র থবক থরা নোমংলুখিগে। (চংমিন্নখি। থরো বীনোদ থোরকই। থরো মাথথোং মকা লামই, বীনোদ শুকথনা উই)

থরো : ঐনা হায়জনবু কয়াদা চুপ্পবনো? মীয়াম্না লৈকায়না ঙাংনরিবসিগা কবিবু খেন্নবিবগে? হৌজিক্তি মিৎমক্তা শঙ শঙনা উববনিনা ভাব তাথিরম্লনি মাইপাবুং?

বীনোদ : অঙকপা মীওইবগী চৎনবীনি; মীওইবনা চাওখৎপা হেন্না-হেন্নগা শা ওল্লকলে।

থরো : কম্নদে মাইপাবুং, লৈবাক বাথোক ওইদ্রিবদা মাসমাগী শারমচৎকী দন্দী ওইনা মখাৎবু যুমসিদগী তাম্থোকপীখ্রো। মসি থোক্ননি হায়নবসি ঐদি নংলনা খংলবনি।

বীনোদ : ঈচীনসিনা মখাৎবু যুমসিদগী চৎলা কবগ ও যবসিদা নৈবা?

থরো : পেনামুক লইবা বনি। ইচে থম্বালসে, পাঞ্জিনা দয়া ফত্রে কাযনৌ হায়বা লৈ তদুনা মতম থবা যুমদা লৈকখা হাযত্তুনা থাপ্রগা লোইবননি।

বীনোদ : লৌশিং চাওবী থরোলৈমা, ঐগী চিননা মখমসিদা নং নক্না বা তাম্নবা ঐগী কনা লৈতে।

থরো : অদুগনে ঐদি হান্না হায়জহৌবিবসিনি, নংগী ননাও তৌঙম্বসে, মাগা লৈমিন্নবা ঐদি শুকঙম ঙমজবোইকো। কান্নদে মাইপাবুং ঈমুংগী বদনাম ওইদ্রিবগে ইচেসি থরা থুনা তাম্থোকপীখো। (চংখি)

বীনোদ ; থম্বালদু সিদা অমুক্তা লাও হায়রম্মু। (মথন্ত) কবয়ো তৌরিবসিদি? ওম্মোক্তা মাথাসি শাপ্রেদা।

থম্বাল : (থোরক্লগা) মাইপাবুং ওফিসতগী ঙম্না হনবিরক্লব্রা?

হকচাংহু ভৱীদ্রবদি ইমুংদা পোত্থানবা চংলসি।

বীনোদ : থম্বাল, ঐ হায়ফম খঙদনা ৱারেহৈ ; হকচাং ৱাবদ নত্তনা ৱাথলস্ত পুবা থাংবা ঙমদবমথৈ ৱারে। ঙসিদি ঐ নঙোন্দা বা অমা হায়গে, নং ৱারৌম্লকো।

থম্বাল : মাইপাবুংনা ৱা হায়বদা ঐনা করিগী ৱারৌফম থোকপগে ?

বীনোদ : হন্দক ঐখোয়গী ইমুংসি দযা কয়া পাংদে, কায়নৌ হায়বা লৈ, পাঙ্গিন' হায়রি।

থম্বাল : মাইপাবুং মতুগী প্রতিকারদি পাঙ্গিনা হায়রক্ত্রা ?

বীনোদ : হায়রকই, মসিগীদমক নং-ঐ মতম খরা কায়নবা তারে, নং নপামদা লৈররো।

থম্বাল : মাইপাবুং, বাফমতুবু মাইপাবুংনা ফরে খন্দুনা হায়বিরব্রা, নপ্রগা মীগী থৌইনাশয়া হায়বিরিব্রা ?

বীনোদ : কনাগীস্ত থৌইনসিন নত্তে; তঙাইফদনা নং চৎতবা য়াদ্রবনি। ঙসিসি থাবানস্ত লৈফ, হৌজিকমক চৎলো।

থম্বাল : ঐ চৎচগে, মাইপাবুংনা লৈফ হায়বদা ঐনা য়ারোইদবগী মরম লৈতে ; থাবান ফবা ফত্তবগীদি ঐহাক অফ-ফত্ত থিজদে, মরমদি মুপী ওইবাগীদি মপুরোইবনা অথোইবা ঈশ্বরনি ; ঈশ্বর মানা ভাবপীরবদা ফত্তবা হায়বা অময়ুক লৈরিব্রা ?

বীনোদ : থম্বাল, ৱাকনু, দযা ৱেক পাংবগা ঐ নংবু লৌবা লাক্কনি ; ঐনা লাক্কিব্রা ফাওবা নং য়ুমসিদা খোঙ্গল তাগনু।

থম্বাল : মাইপাবুংগী য়াথংদুমক ঙাকপা ঙম্মবা ঐহাক হোৎনজগে। অদৈ করি করম্বা য়াথং ঙাকপিখিগনি মাইপাবুং ?

বীনোদ : নংনা চৎখিবদা নত্তোমতা চৎখো, ইমুংসিদগী মী কনাবুস্ত খঙহনবা য়াদে। করিগুম্বদা মখোয় থেংনরবদি য়ুমদা চুম্না থবক অমগী চৎপনি খুমগদবনি, মতুং তাবদনা নচানা ননাওনা নংবু কৌবা লাক্লবদি নংনা য়ারোইদবনি, ফজবা ৱাহৈনা মখোয়বু থেম্নগা থাদোরক্কদবনি।

থম্বাল : মাইপাবুংগী পুক্নিংদু মতুথক্তনা নিংবা থুংবিরনিকো ? ঐনা যুমদা লৈবিদৈদা তেক্ত কাযদনা ন্নুংঙাই যাইফবা ইমুং অমা হায়নদু ওইদুনা মাইপাবুংনা হরাও জয়াম্না পানবদু ঈশ্বরনা পীনবিবা ওইসম্ব। (থুবল্লগা চংখি)

বীনোদ : (থম্বালগী চংখিবা লম্বীদা যেংলগা ঐ ভুসিদগী শান্নি ফংলগনি৹ নৈগী খুজিন্দগী ভুম শংতোকপা হৌরে৹ ঐগী পুন্সি অসি কয'দা ইকাইবা চোম্বা নংলমগনি৹ খরা ভন্না খঙহৌবসি থরো লৈমা নংগী নপান্দগীনি ঐগী ইকাইবা চেপ্পা কয়া মাংহজৌননা খংহৌ উহৌদুনা নৈগী পুন্সিন কনহৌবা৹ ক্লৌশি চাওবানিকো নংসে।
(চাংনা চাংনা চংখি)

(Short Interlude Music)

মরিগুবা তাঙ্কক

মফম ঃ লৈঁ।

মতম ঃ লুমিদাংবাইবম।

(বনার তশা নাংগী, মথবাই লুংবাইনা লাকই। বাধাসু লাকপদা পানিংন উই।)

কুমার ঃ বাবা।

বাধা ঃ হায়।

কুমার ঃ লুমিদ রাইবমসিদা যাম্না শোকনকা হাইদোকখইসিবু অকুপা মী উম্নগদবা থকা লৈবক্তংলাও ?

বাধা ঃ লৈবক্ত উন্নবে লৈদাবগে অচুবু !

কুমার ঃ মহাক্কু উম্নবব্রাণ ?

বাধা ঃ নীদি উন্জারু, নংমাগা মহাক্কু দি বাংলিব্রাও ?

কুমার ঃ নীদি রারে।

বাধা ঃ হো, নগী রাংচদ্রে।

কুমার ঃ মী লুহোংবদা হায়বসি বাক্তংগদি কজনা হেক্তা হৈরে নে।

বাধা ঃ এংকনা লুহোংদোব্রিব ?

কুমার ঃ মহাকপু হায়রা।

বাধা ঃ কনাদা ?

কুমার ঃ হুন্দক নংগী মাইক্লপা বিজন্টা হেক্ক মংবগা লুহোংলগনি হায়রিদুদি।

বাধা ঃ কনাম্না হায়রিবা, হো ঐদি পাক্তদ্রে।

কুমার : ফৈদ, ফৈদ, শংলমদবা য়াই। অদুবু ঐদি লোইনা তারক-জাংনি, ফরে ঐ চংচরে।

রাধা : ভাইখোবা (খুং পায়দুনা য়াম্লি) ওস্তোরুস্থ শাউগনব্রে। নেংনা তানা অমুক্তা শেংদোরুখিসি, বাফমদুবু কনানা হায়গে ?

কুমার ৹ অদোমগা লুহোংগদৌরিবা লাইবক ফরবা বর অদুনা.... ।

রাধা : মীশক্তবু কনানো ?

কুমার : কনাস্থ নত্তে নিংথৌনা শকখঙ মাযখঙনরবা মুচুয়েল অন্দর-স্টেন্দিং ফজনা লৈনরবা মীশক অমনি।

রাধা : অদুবু বনানোবা ? ঐ তৌভম্বা মহাকতু য়াম খঙনিং-লবএকো।

কুমার : হেরা হন্দক নংগা লুহোংদৌরিবা মুপাদুবুরাও ?

রাধা : হোয় কনানো অমুক্তা হাযযোবা ?

কুমার : কনা ওইনেগে নংগীদুনিদনা।

রাধা : অদো কনানো ঐদি ভাব এাক্রেনা !

কুমার : নুপাদু ওজিকস্থ স্মাইদকা লুমডনা তারম্বস্থ হাইকো—(কে ই-যেং য়েংই)

রাধা : (কোইয়েং যেংলগা) কনজব্রে, হাযবোবা, স্মাইদদি কন লৈতনা—খিং হায়রসে কনানো ?

কুমার : হায়রীবা মীশক্তু লোংমা থেঙলবা থাবলগী মঙান্দা নগ মাগা মখোই থোংগানগী মনা পুংলবা শগল্লে মখোংদা ব পুম্নমক তৃপ্তখিবনি হায়।

রাধা : অস, য়াম ভম্মিজাংনিনা, তামো ঐ মদু নীংশীংবা শুকং ভমদ্রে, মীশক্তু কনানো অমুক্তা হায়বীয়ু থম্মোয় শেংজরবা মুপীমচা অমবু মি চং থীহন্নবা অদুয়োনা হায়জিনবা ভম নিপাদু মশক অমুক্তা তাকপীয়ু।

কুমার : অদুগা কৈদৌদোরিবা ?

রাধা : থম্মোয় শেংজরিবী রাধানি হায়বসে চপচানা খঙহনগে অদুগ

সুপী অমবু অহুয়া মিংচৎ থীহুম্নবা শীনবা সুপাদো অমুক হন্না অতৈ অমদা তৌরুদনবা পাল্লা তম্বীগে।

কুমার : রাধা নহাক্কী ররবু নংনা খঙদে হায়রবনিনা কুমারদি পুন্সিদা ওইদবা ঙাংদবনি, অশেংবহুদি হায়বা তারেদনা।

রাধা : হায়বীয়ু তামো।

কুমার : নং শোয়দনদি পারাহু তম্বীগদ্রা?

রাধা : তামোনা শাক্কি ওইবীয়ু।

কুমার : কৈফ অহুদি, সুপাদো মশক তাক্লগেকো।

রাধা : তাকপীয়ু।

কুমার : সুপাহু হুজিক খাইদা ইনক নক্লা নমাংদা লেপ্লি, রারীসু শারি।

রাধা : হায়না জ্বাং অমনিনে, মীগী মমাংদা ইকাইদ্রাও, অহু ওইরে।

কুমার : কদাইন না পারা তম্বীনি হায়হুদি।

রাধা : লুহোংবা নুমিত্তা কুন্দো পরেংনা থম্মোয়গা লে'য়ননা য়োঙ্গিলং ফলাং চন্দনা বন্দি ওইনা ফাজ্জিনজরগে।

কুমার : ইরাল লওজকুরবনিনা য়াবা তারেদনা হা!

রাধা : ঐবুদি হায়রা মীশিংসিদি য়ায়বু মরৈ মরা হৈনরম্মেনে।

কুমার : খঙদে হায়নখিবদি কুইনদ্রি অহুবু য়ামথুনা কাউনবসু য়াওন-রশ্মিজাংনি।

রাধা : কনানা তামোবু কাউরে হায়রিনা?

কুমার : হায়খিদেদা, হায়খিদেদা—খঙবীরনদবগী রানিদা।

রাধা : ঐদি লম্লানবা কনা ওইরবোই থনজরুইয়ে।

কুমার : তোয় ঐসু লমলানবনিদনা, অহুনবু কাউরিবনি, কাউফমসু থোকপা, ভশেংনা সুংশিবা ওইরদি কাউরোইদবা।

রাধা : ঐথোয়দি রা ঙাংবদা মরৈ মরাং তৌবগাসে-হৈনজ্জদবা মীদি এল, এল, বি উকিল বাবুনিনা ক্রোস একজামিনেসনগদি হৈদ্রেনে। হো হয়েং কোর্টতা তকথৎপিক্করো, ঐঙোন্দা তকথংপীরসুও।

কুমার : চুমদি চুম্বা এন, এ কা তমদনা লংফৈদকা কুইনা লৈরুরবা,

লৈকাসি মচল মপল খোংনরকয়বী মুপী অমমনবু কাউপন্দে
হায়রাও : ক্যাওকুম থোক্কইরনে—লৌক্লিকেল ফেক্টনে।

রাধা : ঐবু পোক্না লেপহল্লগা জবান লৌকীরিবাও তৌরিসিনু ?

কুমার : নত্তে রাধা, অদোম্বু অমদি হায়রবসি হুক্কিক ফাইনেল পরিক্ষাসু পীরগদনা।

রাধা : অদু করি তৌসি হায়রীনো ?

কুমার : ঙসি নিনি ছুমনিসিংগী মপুংদা নং নাক্তদা লাক্লোদনা।

রাধা : হাইমা অাং অমনিদে। মীপীদি চেনসিংগা হায়নৈ ঐখোয়না নুপীদবু লাকপ হায়রিসবু।

কুমার : করিগী অাং অমা ওইরুনি ইবাম্নি। অাং তিম্বিরিবা মশেংগে নংসু মৈতৈ অদুগা ঐসু মৈতৈ।

রাধা : অদুগী নত্তেয়ে। নুপীনবু হেক্তা মখোঙনা থোংনা লাক্রা—অদুবু তাবীবরাও ?

কুমার : মীনা তৌনদবী, মীনা ঙম্নদবা থবক তৌবিদি য়াম কৈ। অদুনা ইন্দক্তি ইবং ম্রিগীসু অঁনা হৌদোকাস—

রাধা : মতুদি ঙাঁজবোই ঐনি ইকাইজে।

কুমার : নং ঐনা হায়বদা য়ানি। অদুগা হেক ঙম্মথে ঐগী ইতং পাংগমি হায়খিবনি। ঐনা হায়বসি য়াদবা যাবোই, মসিনা নংনা ঐগী ইতেং পাংবীরো। ঐবু বাহনবীরম্ব রাধা ?

রাধা : ঙাওরব্রাও তৌরিসিনু ?

কুমার : ঙাঙদে য়াম ভাবতানিনি য়াম্না। চাওবংলাবা বাফমনি খায়না খন্দুনা হায়রীবনি।

রাধা : মতু দিনবা খুদিংমক রাজশো, রাকমতু মদি।

কুমার : ঐদি মসিদগী হেনবা অতেং অমতা নত্তোন্দে লৌজররোই। ঙম্মোই হায়বগা হেক্তা হায়মু রাধা ?

রাধা : হো মীকুপা মীকত্তা অাক্ত লাকচরগেসে।

কুমার : হো অঙ্গিদনা জঙলংনা মখোক্তোয় শেংমা ঐগীদমক লেপ্লিব মালেদনা। অাদা কৈদৌঙৈ লাক্লে খায়না চাকা হায়দম্দোনি।

রাধা : এর চাকি কয়নহায় হাপচৌরিবা ?

কুমার : ঐখোয় মীশিং হেক্তসানি চাকলুক অসা ওলিথে হেক্তসীরো হায়রুনা ।

রাধা : ঐ ইকাইখৈজেকো অঙাও অকৈদৌমা. মীনা তৌনবা ঙাক্তা ।

কুমার : অদু অদা থওদে কৈদৌঙৈনো লাক্তৌরিবু ?

রাধা : লাক্লিবা য়ুমশকৈশা মুমিৎসিদা ।

কুমার : থেঙ্ক য়ু. থেঙ্ক য়ু ভেরি মচ রাধা. থাগৎচরি. অদুমা হায়ন-ভান য়ানরদি কয়াম মুংঙাইগনি ইবাম্নিগী পুন্সি । রাধা ইবাম্নিগী পুন্সি শোয়দনা চাম-চিন্ন মুংশিননা লেনমিন্নগনিদা ।

রাধা : ঈশ্বরনা মতুমক ওইহনবীসনু ।

কুমার : ন'না পুবকদবা ফিরোল লোইমা পুহনা লাকউকো ।

রাধা : এঃ ফিয়োমও করিবো ?

কুমার : আইঃ নং য়ুম হোংলক্তৌরি নত্রাও ?

রাধা : অসঃ নখোয় ইটৈমা অতোনবীদো. ঐ ইকায়খৈকো. মীনা তৌনদ ঙাক্ত । নখোয়গী উকিলগী প্রাক্তিস তৌবদা অসগুম্বা হুদী খুৎচেনসি থেংনরকপ্রাও ?

কুমার : থেংনজ্রনমু অনৌবদো হৌদাকসে. মৈত্রবাকসে অনৌবনিবু হায়রদি পংতান্দ তান্নবনি. পংপামদা পান্নবনি—অপংবী নখোয় মুপীদা লিবটি' হেন্না পীবগী বানিনে ।

রাধা : অদো করেনে. পুং কযাদা লাকট হায়রিনো ? ঐ লাকপদা ঙাইদি ঙাইরম্মুকো নত্রবদি চঙভনদা নখোয় তামোথোয়গী ইটৈমথোয়না করিগীনো হংলকঅদি ?

কুমার : হংঙকঅগা নরোন থোক্তনু নত্তুবো. ঐঙোম্বা লৈবা লাক-অননি হায়তারেদনা অশেংবদো ।

রাধা : হায়মা. অসিবু. ইকাই থওদবাও ।

কুমার : নখুম অশেংবদা লাক্তৌরিনে, নয়ুমনে,লাক্তৌরিদো ইকাই-থিবী. লৈঙদি নখোয়না হেন্নিসে ।

রাধা : হোয় হোয় লাক্ত লাকচরগেসে. অদো লৈদি লৈরম্মুকো.

নৈরঙ্গ্রবদি অমুক হেক্তা হনখিদৌরিজাংনি।

কুমার : ঙসদ লাকউ, ঙা নৈনবা থৌরাং তৌরগে, ঙৌ অনৌরীবা চাক থোংঙগা চানবা।

রাধা : ইকাই ওকখড খডদেনি।

কুমার : হয়েং কনানা হেন্না ইকাই খডদগেহ্ খডমনি।

রাধা : চো...... । হুম মী লাকএ ঐ চৎগ্রগে।

কুমার : চৎলো, শোয়বা য়াদেকো রাধা।

রাধা, ঐবুদি শোয়জররোইয়ে—বাই।

কুমাব : হাই—। (রাধা খরা চৎলগা শুগংলম্মী। কুমারনা কিন শিংহৌই) (কুমার মথবাই তানা হুই থোংলহুনা চৎখি) (কুলা লম্বীদা লাকই, খল্লগা)

কুলা : ঐবু থরোথোইরোমদা চৎলুখিসিরা। মহাক লাকনি হায়রম্বনি হৌজিক ফাওবা লাক্করি। (মতাংসিদা রবি চংলকই)

রবি : পাবুং কদাইদনে; য়ায়া হুংডাইরে লুপা ১০০/২০০দং পীরম্মু, ত্রাফিক লানগী থানানা স্কুটর ফাজিনহৌরে।

কুলা : স্কুটর কনাগী ?

রবি : এ. ই; তোম্বগী মচাম্নুপাগীনি, ঐগী হোন্দাহুদি ব্রার্কসোপ্পা লৈ।

কুলা : ঐম্মু নখোযরোমদা নমাগা থবক অমা চৎমিন্নগদবনি।

রবি : ইমা উনরগা পাবুংনা য়ানবা ঙাংনবীরো;লুপা ২০০দং পীরম্মু।

কুলা : (লৌথোকই) সে সে থানাগা মান্নকন্নুকো।

রবি : হোই হোই পাবুং (চৎখি)।

কুলা : কয়াদা চমগ্রবা অঙাংনো, মপাবুংগা তিন্নবনি থন্দুনা ঐঙোন্দ পাবুং হেক্তা মকৌবা। লম থরবুদি হেল্লী অহুবু মবুব মপাওদি .... (মতাংসিদা থরোলৈমা নান্না কেনা থোরকই)

